**সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়া**

**এক্সত্রা ওরদিনারি এপিলেত/ওরিজিনেল জুরিসদিক্সন**

**SLP No. 19206/2023**

**দিঙাংলুং গাংমৈ ... পিটিস্নর (স)**

**ভর্সেস**

**মুতুম চুরামনি মীতৈ এন্দ অর্দস ... রেস্পোন্দেন্ত (স)**

**ৱিত**

লিব পেটিসন (সিভিল) দাইরি নম্বর ১৯২১০ ওফ ২০২৩

রিত পেটিসন (সিভিল) নম্বর ৬৪০ ওফ ২০২৩

রিত পেটিসন (সিভিল) নম্বর ৫৭৬ ওফ ২০২৩

রিত পেটিসন (সিভিল) নম্বর ৫৭২ ওফ ২০২৩

রিত পেটিসন (সিভিল) নম্বর ৫৭৪ ওফ ২০২৩

রিত পেটিসন (সিভিল) নম্বর ৩২১ ওফ ২০২৩

রিত পেটিসন (সিভিল) নম্বর ৩২৭ ওফ ২০২৩

রিত পেটিসন (সিভিল) নম্বর ৩২৯ ওফ ২০২৩

রিত পেটিসন (সিভিল) নম্বর ৮০২ ওফ ২০২৩

**(জজমেন্ত)**

**দাক্তর ধননজায়া ৱাই চন্দ্রচুদ সি জে আই**

১. মে ২০২৩ গী অহানবা চয়োলদগী মনিপুর অসি কাংলুপকী ইরাংনা শাথিনা শোকহল্লকলি।

২. সেদ্যুল ট্রাইবশিংগী প্রেসিদেন্সিএল লিসতা মৈতৈ কাংলুপপু য়াওহন্নবা রিকমেন্দ তৌরগা য়ুনিয়ন গর্ভনমেন্তকী মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফিয়র্স কী ২০২৩ গী মেগী তারিখ ২৯ দা ইরকখিবা চিঠি অদুগী পাউখুম পীনবা য়াথং পিরদুনা, কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২২৬ কী মখাদা থারকপা রিত পিটিসন অমদা মনিপুর হায় কোর্টকী এক্টিং চীফ জজটিসনা মনিপুর সরকারদা ২০২৩ গী মার্চকী তারিখ ২৭ তা দাইরেক্সনশিং পিখি। সেদ্যুল ট্রাইবশিংগী লিস্ততা কাংলুপ অদুবু য়াওহন্নবগী রিকমেন্দেসন থাবা অদু অকক্লবা মতমগী মনুংদা অথুবদা খন্ননবা য়াথং পিখি। কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২২৬ কী মখাদা পীরিবা শক্তী অদু শীজিন্নরগা, হায় কোর্ট না কাংলুপ অমবু সেদ্যুল ট্রাইবশিংগী লিস্ত তা য়াওহন্নবগী য়াথংশিং পীবা ঙমদে হায়বা ৱাফম অসিদা মপুং ওইনা য়ুক্ষম

ওইরগা, হায় কোর্টকী ওর্দর অদুবু শিংননবগীদমক্তা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৩৬ কী মখাদা লৈরিবা কোর্ট অসিগী শক্তী অদু শিজিন্নবা হায়জরকপনি। ''ওর্দর অদু তাখ্রবা মতুং মনিপুর মৈ চাক্লি'' হায়না স্পিসিএল লিব পিটিসন অদুদা পীশিল্লকখিবা প্লিদিংশিং অদুনা পল্লি।

৩. 'মদুগী মতাং অদুদা মরি লৈনবা ফোরমগী খুথাংদা ২০২৩ গী মার্চকী ২৭ তা তাখিবা হায় কোর্টকী সিঙ্গল জজকী ওর্দর অদু হন্দোকহন্নবগীদমক্তা মতিক চাবা দরকার লৈবা খোঙথাংশিং ষ্টেট ওফ মনিপুর না পাইখৎলি' হায়না ২০২৩ গী মেগী ৮ দা উনিয়ন গর্ভনমেন্তনা কোর্ট অসিদা খংহল্লকখি। মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলহল্লবা মখাগী খোঙথাংশিং অসি লৌখৎখি হায়না তাকপা ষ্টেটমেন্ত অমা য়ুনিয়ন গর্ভনমেন্তনা থল্লকখি:

''(এ) সেন্ত্রেল আর্ম পুলিস র্ফোসশিংগী কম্পেনি ৫২ অমসুং আর্মি/অসাম রাইফল্সগী কলম ১০৫ মনিপুরদা দিপ্লোই তৌখ্রে;

(বি) দিসর্তব এরিয়াশিংদা ফ্লেগ মার্চশিং পাঙথোকখ্রে;

(সি) হান্নগী সেনিয়র লেবেল পুলিস ওফিসার অমবু মনিপুর সরকারনা সেক্যুরিটি এদভাইজর ওইনা হাপখ্রে অমসুং অতোপ্পা সিনিয়র ওফিসার অমবুনা সেন্ত্রেল দিপুতেসন্দগী মনিপুর সরকারগী চীফ সেক্রেটরি ওইননবা ঙরাং থাখ্রে;

(দি) পিস মিতিংশিং পাঙথোকখ্রে অমসুং কুপ্পা য়েংশিনবগী থবক চথরি;

(ই) সেক্যুরিটি ফোর্সশিং পাক শন্না দিপ্লোই তৌবগী মথক্তা লৈরিবা ফিভম অদু কুপ্পা য়েংশিন্নবা হেলিকোপ্তরশিং অমসুং দ্রোনশিং শিজিন্নরি;

(এফ) ময়ুম-মকৈ থাদোক্লম্লবা মীওইশিংগীদমক্তা রিলিফ কেম্পশিং হাংদোকখ্রে অমদি রেসন অমসুং হকশেলগী মতেং ফংহল্লি; অমসুং

(জি) থোক্লকপা ঙমদনা পন্দুনা লৈহৌরিবা মীওইশিং সেক্যুরিটি র্ফোসশিংনা পুথোক্লবা তৌরি।'' ''লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অসিগী ফল ওইনা, হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা রাজ্যা অদুদা হিংসাগী থৌদোক থোকপগী পাউ লৈত্রে অমসুং ফিভম অদু মহৌশাগী ফিভমদা তপ্না-তপ্না হঞ্জিল্লক্লি'' হায়না কোর্ট অসিদা ষ্টেটমেন্ত অমা থল্লকখি। লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম শোকচিলহন্দবা অমসুং রিলিফ অমসুং রিহেবিলিটেসন ফংহনবগী দরকার লৈবদুগী মতাংদা য়েৎনরিবা পার্টিশিংগী কাউন্সিলশিংনা নুংনাংবা ফোংদোকখি। কুপ্পা য়েংশিনবা অমসুং মীওইবগী পুন্সি মাংবা অমসুং য়ুম কৈ অমদি লাইনিং লাইশোলগী মফমশিং মাংহন-তাকহনবা থোকখিবা অদু য়েংলগা, হিংসাগী থৌদোকশিং নৌনা থোকহন্দনবা হোৎনবগী দরকার লৈ হায়না কোর্ট অসিনা থমখি। কোর্ট অসিনা অসুম্না থমখি:

“৭. মীওইবগী পুন্সি মাংবা অমসুং ইজ্খোল-শম্বল অমদি লাইনিং লাইশোলগী মফমশিং মাংহন-তাকহনবা অসিদা কোর্ট অসিনা নুংনাংবা ফোংদোক্লদুনা ঐখোয়না মখাগীশিং অসি দরকার ওই হায়না থমখি:

(i) চিঙ্গাক অমসুং হকশেলগী ওইবা দরকার লৈবশিং অদু ফংহন্দুনা, দরকার লৈবা থৌরাংশিং রিলিফ কেম্পশিংদা লৌখৎহনবা;

(ii) ময়ুম মকৈ থাদোক্লম্লবশিংবু নৌনা খুন্দা-লৈতাহন্নবগী দরকার লৈবা থবক লোইনমক পাইখৎপা; অমসুং

(iii) ধর্ম্মগী লাইনিং-লাইশোনগী মফমশিং ঙাকশেনবা।”

রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক্তা তঙাইফদবা হকশেলগী থৌরাং লৌখৎপা দরকার ওইবা মতাংদা, ওথোরিটিশিংনা আর্মীগী হোস্পিতালশিং নত্রগা অতোপ্পা হকশেলগী এস্টাব্লিসমেন্তশিংদা হকশেলগী থৌরাংশিং পায়খৎকদবনি হায়না কোর্ট অসিনা দাইরেক্সন পিখি। রিলিফ অমসুং রিহেবিলিটেসনগা মরি লৈননা থৌরাং পাইখৎনবগী মতাংদা লৌখৎপা খোঙথাংশিং অদুগী মতাংদা ইনৌ-নৌবা স্টেটস রিপোর্ট অমা ষ্টেট ওফ মনিপুর দগী কৌখ্রে।

(৪) ২০২৩ গী মে ১৭ তা মথংগী প্রোসিদিংশিং লৌখৎপা মতমদা, মখাদা পীরিবশিং অসি তাক্লদুনা স্টেটস রিপোর্ট অমা ষ্টেট ওফ মনিপুরনা লানখৎলকখি;

এ. রাজ্যা অসিদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম অসি মহৌশাগী ফিভমদা পুরক্লবা লৌখৎপা খোঙথাংশিং;

বি. হাংদোকখ্রবা রিলিফ কেম্পশিংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং;

সি. অশিবা য়াওবা নত্রগা অশোকপা য়াওবদা ফংহনবা কম্পেন্সেসনগী পেকেজশিং;

দি. ধর্ম্মগী ওইবা মফমশিং ঙাক শেন্নবগী লৌখৎপা সেক্যুরিটিগী থৌরাংশিং;

ই. হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা থোকল্লকপা ঙমদনা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং পুথোরকপা; অমসুং

এফ. এফ আই আরশিং চনবা অমসুং খুৎলাইশিং লৌখৎপা।”

(৫) হায় কোর্টকী এক্টিং চীফ জজতিসনা পীখিবা দাইরেক্সন অদু শীংনরকপগী মথক্তা, কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩২ গী মখাদা থারকপা রিত পিটিসন খরসু কোর্ট অসিদা থারকই। পিটিসনশিং অদুগী মরক্তা পিটিসন অমদা, অশোই-অঙাম থোকহন্দনবা লৌখৎলিবা থৌরাংদা শিংনরকপশিং লৈবদুগী মতাংদা পিটিস্নরশিংনা চীংনবা লৈবশিংদু ফোংদোকখি। ইরাং থোক্কনবা মফমশিংদা মরু ওইনা হেন্না শোকহনবা য়াবা অকক্লবা খুঙ্গং খরদা ঙাকশেলগী থৌরাং হেন্না পাইখৎনবা দাইরেক্সনশিং পীবিনবা পিতিস্নরশিংনা হায়জখি। রাজ্যা অদুদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম কুপ্না য়েংশিনবগী থৌদাং শিন্নরিবা ওথোরিটিশিংনা মসিগী চীংনবা লৈরিবশিং অদু

খন্নগদবনি হায়না কোর্ট অসিনা য়াথং তৌখি। দরকার লৈবা ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুং পেন্দবা লৈরিবশিং অদু খুদক্তা য়েংশিন্নবা অমসুং হেন্না থাজবা ফাওহন্নবা অমসুং শান্তী অমসুং তংদু লৈতাবা পুরক্কবা দরকার লৈবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা চীফ সেক্রেটরি অমসুং সেক্যুরিটি এডভাইজরদা য়াথং পীখ্রে। অতোপ্পা পিটিসনশিংগী পিটিশ্নরশিংনা ফোংদোরকপা চীংনবা লৈবশিং অদুসু আইন চল্লাইরিবা ওথোরিটিশিংনা খন্ননবা য়াথংসু পীখি। ২০২৩ গী জুনগী তাং ২০, জুলাই ৩ অমসুং জুলাই ১০ দা প্রোসিদিংশিং অদু কোর্ট অসিদা লৌখৎখি। চীফ সেক্রেটরিনা স্টেটস রির্পোত অমা লানখৎলকখিবা অদু খঙজিন্নদুনা, লৈরিবা ফিভমদু ফগৎনবগী ষ্টেট ওফ মনিপুর দা অমসুং য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াদা সজেসনশিং পিনবগী অয়াবা কোর্ট অসিনা য়েৎনরিবা পার্টিশিংদা পিখি। জোমি স্টুদেন্স ফেদরেসন ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দয়া গী কেসতা মখাগী ৰাফমশিং অসি পিটিশ্নরশিংনা থম্লকখি:

"১. জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস র্মোগ, ইম্ফাল য়াওনা ইম্ফালগী হোস্পিতালশিংগী তোঙান-তোঙানবা মোর্চুআরিশিংদা মশক তাক্তনা অমসুং লৌবিনবা লৈতনা হকচাং ময়াম অমা লৈরি হায়না রিপোর্ট তৌরকই। মাঙখিবা অমসুং শীরম্লগনি হায়না চীংনরিবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংশিংনা মসিগী মোর্চুআরিশিং অসিদা য়ৌশিনবা ঙমদনা লৈরি। পাউ ফাওনবা য়াগদবা অমসুং এস্কোর্ত/প্রোতেক্সন পীরগা অসিগুম্বা ইমুং মনুংগী মীওইশিং মোর্চুআরিশিং অসিদা চত্তুনা য়েংহনবিগদবা অমসুং শক খঙদোকপগী থবক তৌবা য়াহনগদবা অমসুং অরোইবা মথৌ মঙম পাংথোক্কবা অশিবা হকচাংশিং অদু শিন্নবদা থৌদাং লৌগদৌবা ওফিসার অমবু ষ্টেটনা হাপ্পীয়ু।

২. চীংগী দিস্ট্রিক হোস্পিতালশিংদা ডোক্তরগী অৱাৎপা লৈরি। হেল্থ মিনিস্ট্রিনা থাবিরকপা ডোক্তরশিং (স্টেটস রির্পোট কী পেরা ২২.৪ এনেক্সর-'এ' দা য়েংবীয়ু) অমসুং ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা হোম মিনিস্টরনা থাবিরক্কনি হায়বিরকপশিং (তারিখ ১-০৬-২০২৩ দা থোকখিবা পী আই বি নোটিফিকেসন –এনেক্সর-'বি' দা য়েংবীয়ু) মসিগী ৰাৎলিবা অসি মেনখৎনবা চীংগী দিস্ট্রিকশিংদা লৈবা দিস্ট্রিক হোস্পিতালশিংদা থাবিরকউ।

৩. চীংগী দিস্ট্রিকশিংদা লৈরিবা দিস্ট্রিক হোস্পিতালশিংদা তঙাই ফদনা চঙবা হিদাক-লাংথকশিং, দাইলাইসিস মেছিনশিং, সিটি স্কেন মেছিনশিংগী অৱাৎপা লৈ, মদু য়েংশিনবা মথৌ তাই।

৪. চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজকী ছাত্রশিংনা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস, ইম্ফাল (জে এন আই এম এস) দা ক্লাসশিং য়াওন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে (এতেস তৌরক্লিবা নোটিফিকেসন-এনেক্সর 'সি' দা য়েংবীয়ু)। জে এন আই এম এস, রিজনেল ইনস্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস, ইম্ফাল (আর আই এম এস) অমসুং

ইম্ফালদা লৈবা অতোপ্পা মেদিকেল কলেজশিংদা তম্লীবা ছাত্রশিংগীসু ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা মখোয়গা থাক মান্নবা অতোপ্পা ইন্সটিট্যুটসনশিংদা ক্লাস য়াওজনবা মান্নবা থৌরাং পাইখৎপীয়ু (খুদম ওইনা, আর আই এম এস, ইম্ফাল না য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াদা থাখিবা প্রোপোজেল-এনেক্সর 'দি' দা য়েংবীয়ু)।

(৫) মনিপুর য়ুনির্ভসিটিনা মসিগী মখাদা লৈবা কলেজ পুন্নমক্তা একজামিনেসনশিং পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে (ষ্টেটস রিপোর্ট কী পেরা ১৪ য়েংবীয়ু)। চীংগী দিস্ট্রিকশিংদা লৈবা স্কুলশিং অমদি কলেজশিং রিলিফ কেম্পশিং ওনথোকখিবা অমসুং মশিং য়াম্লবা ছাত্রশিং অমসুং য়ুনির্ভসিটিগী স্টাফশিং মখোয়গী ময়ুমশিং থাদোক্তুনা চেনবা তাখিবনা মসিগী একজামিনেসনশিং অসি মতম থেংথনা পাংথোকপা দরকার ওই।

(৬) চুরচান্দপুর, কাংপোকপি অমসুং তেংনৌপল অমসুং ইম্ফালগী মরক্তা হেলিকোপ্তর সর্ভিসশিং ফংহল্লে (স্টেটস রিপোর্ট কী পেরা ২২.৩ দা য়েংবীয়ু)। চীংগী দিস্ট্রিকশিংদা লৈরিবা ট্রাইবেলশিংনা হৌজিকসু ইম্ফালদা লাকপদা, এয়রপোর্ট শিজিন্নবা ফাওবদা অকিবা ফাওরিবনা, অসিগুম্বা সর্ভিসশিং অসি চুরচান্দপুর, কাংপোকপি অমসুং তেংনৌপল অমসুং আইজোল, গৌৱাহাতি অমসুং দিমাপুরগী মরক্তা তশেংবমক দরকার ওই।

(৭) জিয়ো অমসুং ভোদা ফোন সেলুলর সর্ভিসশিং অসি হৌখিবা চয়োল কয়ামরুম ষ্টেট অসিদা মথৌ ফজনা তৌরক্ত্রী অমসুং মথৌ ফজনা তৌহনবা দরকার ওই।

(৮) গর্ভনমেন্ত এমপ্লোয়িশিং পুন্নমক্তা খুদক্তা থবক্কীদমক রিপোর্ট তৌরনবা হায়রদুনা অমসুং অসুম্না রিপোর্ট তৌরদবা এমপ্লোয়িশিংগী মায়োক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌগনি হায়না কিহল্লদুনা, ষ্টেট গর্ভনমেন্তনা ২০২৩ গী জুনগী তাং ২৬ তা সরকুলর অমা থোকখ্রে (এনেক্সর 'ই' দা য়েংবীয়ু)। মী মশিং য়াম্না মনিপুর ষ্টেট অসি থাদোক্তুনা চেনখ্রবনা নত্রগা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবনা সরকুলর অসি ৱিদ্রো তৌবিয়ু।

(৯) কম্যুনিতি সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা চলাইবা রিলিফ কেম্প ১০৫ চুরাচান্দপুরদা, ৫৬ না কাংপোকপিদা, ১০ না চান্দেলদা অমসুং ১৫ না তেংনৌপল দা লৈ। মসিগী রিলিফ কেম্প শিং অসিদা লৈরিবা ময়ুম থাদোক্লম্লবা মীওইশিং অসিগী থক্নবা ঈশিং, চানবা চিঞ্জাক, সেনিতেসন, লৈফম-চাফম অমসুং তুম্ফমগী অচৌবা অৱাৎপা লৈ। কেম্পশিং অসিদা খুদক্কী ওইনা দরকার ওইবা পোৎলমশিংগী লিস্ট অমা পিটিস্নর শিংবু থাজিল্লকপা য়াহনবিয়ু অমসুং মসিগী পোৎলমশিং অসি য়ারিমখৈ অথুবদা ফংহল্লু হায়না ষ্টেট রেস্পোন্দেন্তশিং/সেন্ত্রেল গর্ভনমেন্ত তা য়াথং পিবিয়ু।

(১০) ***কৌসল কিশোর*** ভর্সেস ***ষ্টেট ওফ য়ু পি,*** (২০২৩) ৪ এস সি সি ১ গী কেসতা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা কোর্ট অসিনা পীখিবা দাইরেক্সনশিংগী মতুং ইন্না থোক্লিবা

ৱাথোক অসি হেন্না ফিভম শোকচিনহনবা য়াবা অকক্লবা কাংলুপ অমগী মায়োক্তা হায়বা, ইরাং থোকহন্নবা ইনশিনবা মওংগী নত্রগা হেন্না ইরাং থোকহনবা য়াবা ৱাহৈশিং ওফিসিএল পোজিসনশিং পাইরিবা মীওইশিংনা হায়বদা চুনবা অথিংবা লৈগদবনি হায়না ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা কোর্ট অসিনা দাইরেক্সন পিবিয়ু।

(১১) ইন্তর এজেন্সী য়ুনিফাইদ কমান্দ অমা সেক্যুরিতি এডভাইজর শ্রী কুলদিপ সিংহ না চেয়রমেন ওইরদুনা শেমলগনি হায়না, কাংলুপ পুম্বগী মীহুৎশিংগা খন্নরবা মতুং, ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা হোম মিনিস্টরনা খঙহল্লকখ্রে (তারিখ ১-০৬-২০২৩ দা থোকখিবা পি আই বি নোটিফিকেসন-এনেক্সর- 'বি' দা য়েংবীয়ু)। অদুম ওইনমক, ইনৌ নৌবা ষ্টেটস রিপোর্টকী মতুং ইন্না, য়ুনিফাইদ কমান্দ সেন্তরগী গী মিতিংশিং চীফ মিনিস্টরনা না চেয়র লৌদুনা পাঙথোক্লি (স্টেতস রিপোর্ট কী পেরগ্রাফ ৬-এনেক্সর এ দা য়েংবীয়ু); মসি সেন্ত্রেল গর্ভনমেন্তনা হায়খিবা ৱাফমদুগী ওন্ন-তৈনবনি। পাইখৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মীচং মীখাই নাইদে হায়বা অদুদা থাজবা পোকহন্নবা মসি শেমদোকপা দরকার ওই।

(১২) পুলিসকী আর্মরিশিংদগী লুত তৌখিবা খুৎলাইশিংগী মশিং, অসিগুম্বা লুত তৌখিবা খুৎলাইশিংগী অমুক লৌখৎলবা মশিং অমসুং লৌখত্তনা লৈহৌরিবা খুৎলাইশিং লৌখৎনবগী পাইখৎলিবা থৌরাংশিঙগী মতাংদা স্টেটস রিপোর্ট অমা কৌবীয়ু।

(১৩) ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা কোর্ট অসিগী থবকপু হেন্না লাইথোকহন্ননবা; মী কনবা, মতেং পীবা অমসুং নৌনা খুন্দা লৈতাহনবগী লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিন্ননবা অমদি মদুগী মতাংদা লৈবা পেন্দবা ৱাকৎশিং তান্নবা শোকহল্লবা কাঙলুপ অনিমক্কী মীহুৎশিং য়াওবা অমসুং ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা কোর্ট অসিগী থবক্তগী পোত্থারবা জজ অমনা লুচিংবা কমিতি অমা শেম্বীয়ু। মসিনা নাকল অনিমক্কী মীচং চংদনা থবক থৌরম পাইখৎপা য়াহনগনি অমসুং মতেং পীবা অমসুং নৌনা খুন্দা লৈতাহনবগী পাইখৎলিবা থবক থৌরমশিং অদু মীচং মীখাই নাইদনা তৌই হায়বা অদুদা থাজবা পোকহনগনি। হৌজিক-হৌজিক, মতেং পীবা অমসুং নৌনা খুন্দা লৈতাহনবগী পাইখৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিন্ননবা মিনিস্টরশিং অমসুং এম এল এ শিং য়াওবা সরকারনা হাপ্পা তিমশিংদা এম এল এ ৩৫ য়াওই (এম এল এ ৬০ লৈবা লেজিসলেতিব এসেমব্লিদগী); দিস্ত্রিক তরেৎ (৭) গী চার্জ লৌরিবা তিম তরেৎ অদুদা জোকুকি ট্রাইবশিংদগী এম এল এ অমা ফাওবা য়াওদে; মদুনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অদুদা মীচং মীখাই নাইবা তৌদে হায়বা অদুদা মীয়ামগী থাজবা অদু মাংহল্লে (২০২৩ গী জুলাই ৫ দা থোকপা সরকুলর –এনেক্সর- 'এফ' দা য়েংবীয়ু)।

৬. (মথক্তা সেরিএল ৫, ৬, ৭ অমসুং ১৩ দা পল্লিবশিং অদুখক নত্তনা) মথক্কী সজেসনশিং অয়াম্বা থবক্তা ওন্থোক্লবগী দাইরেক্সনশিং পিরদুনা, কোর্ট অসিনা ২০২৩ গী

জুলাই ২৪ ফাওবদা থবক লৌখৎলু হায়না য়াথং পিখি। সেরিএল নম্বর ১৩ দা পল্লিবা সজেসন অদুগী মতাংদদি, মনিপুরদা লৈরিবা ফিভম অসিনা ময়ুম মকৈ থাদোকহনখ্রবা মীওইশিংবু থম্নবগী হাংদোকপা রিলিফ কেম্পশিং য়েংশিনবা অমসুং শিন লাংবগী থবক থৌরম য়েংশিন্নবগীদমক্তা, দিস্ট্রিক তরেৎতা কমিতিশিং শেম্লদুনা, নোটিফিকেসন অমা ২০২৩ গী জুলাই ৫ তা মনিপুর সরকারনা থোকখি হায়বদু কোর্ট অসিনা খঙজল্লে। কাংলুপকী ইরাং অসিনা অৱাবা নঙহৌরবা মীওইশিংদা কম্পেন্সেসন পীবগী মতাংদা, কোর্ট অসিনা অসুম্না থমখি:

> "৪. তাংকক অসিদা, মনিপুর ট্রাইবেল ফোরম ভর্সেস ষ্টেট ওফ মনিপুর এন্দ অন্নদর গী কেসতা কোর্ট অসিদা থম্লকপা সজেসনশিংদা, মখাদা পীরিবা সজেসন অসি স্টেট এডমিনিষ্ট্রেসন্না খন্নবা মতিক চাই হায়না ঐখোয়না থল্লে, হায়বদি:
>
> "খুদক্তা হৌনবা অমসুং থা ৩ গী মনুংদা লোইশিন্নবা ষ্টেত্তা য়াথং পীবিয়ু (এ) হোম মিনিস্টরনা থাজবা পীখিবগী মতুং ইন্না, শিখিবা ট্রাইবেল খুদিংদা মরক্কী ওইবা লাক্ষ ১০ পীবা (শীখ্রবা ট্রাইবেল ১১৮ গী লিস্ট (এদিস্নেল এফিদেভিত ৮-৭-২৩) য়েংবীয়ু, (বি) মাঙহন তাকহনখ্রবা ট্রাইবেলগী খুঙ্গং ১৪১ (পেজ ৪১ আই.এ. ১১৫৭১১) অমসুং মাংহন তাকহনখ্রবা চর্চ ২২৭ (পেজ ২৬) ষ্টেটনা অমুক নৌহৌননা শেমগৎপা, অমসুং ট্রাইবেলশিংনা অমুক হঞ্জিনবা ঙমনবা সেক্যুরিটি পীয়ু হায়না মখা তানা য়াথং পীবিয়ু।"
>
> ৫. শোকহল্লবা ইমুংশিংদা কম্পেনসেসন য়েন্থোক্নবা অমসুং মনিপুর ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা হিংসাগী থৌদোকশিংদা অমাঙ অতা নংখ্রবা খুঙ্গংশিং অমসুং ধর্ম্মগী লাইনিং লাইশোনগী মফমশিং নৌনা শেমগৎনবগীদমক্তা ষ্টেট এডমিনিস্ট্রেসননা খন্নগদবনি।"

৭. সেক্যুরিতিগী ফিভম শোকচনহন্দনা থম্নবগী লৌখৎপা থৌরাংশিংগী মতাংদা, লৌখৎখ্রবা খোঙথাংশিং তাক্লদুনা, ষ্টেট ওফ মনিপুর গী চীফ সেক্রেটরিনা এফিদেভিত অমা লানখৎলকখি। সিতিজন পুম্নমক্কী অমসুং মনিপুর দা লৈরিবা মীওইশিংগী পুন্সি অমসুং লন থুম ঙাকপি শেনবিনবা মতিক চাবা থৌরাংশিং লৌখৎলু হায়না কোর্ট অসিনা য়ুনিয়ন গর্ভনমেন্ত অমসুং ষ্টেট ওফ মনিপুর দা য়াথং পীখি।

৮. মনিপুরদা নুপীশিংদা ঈজৎ শোকহনবগী অমসুং হিংসা চখবগী মমাংগী নুমিত্তা মেদিয়াদা উরকপা ভিজুএলশিং অদুগী মতুং ইন্না ২০২৩ গী জুলাই ২০ দা কোর্ট অসিনা প্রোসিদিংশিং অদু লৌখৎখি। 'অসুম্না উরকপা ভিজুএলশিং অদুনা য়াম্না চরাংনবা নুংঙাইতবা ফাওহল্লে' হায়না থম্লদুনা, মেদিয়াদা উৎখিবা শিংদুনা কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা

হ্যুমেন রাইটস পু শাথিনা খোঙ্গাওনবা অমসুং চাউনা কাইহনবা লৈ হায়বদু তাকই হায়না কোর্ট অসিনা হায়খি। "নুপীশিংবু হিংসা তৌনবগী খুৎলাইশিং ওইনা শিজিন্নবা অসি কন্সটিট্যুসনেল দেমোক্রেসি অমদা য়াফম থোক্তে" হায়না কোর্ট অসিনা থমখি। (i) মরাল লৈবশিংদু চৈরাক পিন্নবা; অমসুং (ii) অসিগুম্বা থৌদোকশিং অমুক মতুংদা থোকহন্দনবা, সরকারনা লৌখৎপা খোঙথাংশিং তাকপা রিপোর্টশিং কোর্ট অসিনা কৌখি। শোকহল্লবশিংগী অখন্ননা লৌখৎপা থৌরাংগা মরি লৈনবা, নৌনা খুন্দা লৈতাহন্নবগী থৌরাংগা মরি লৈনবা অমসুং তুংদা থোরক্তনবগী থৌরাংগা মরি লৈনবা- খোংথাংশিং খুদক্তা লৌখৎনবা অমসুং মথংগী কেস থোকপা নুমিৎ ফাওবদা লৌখৎপা থবক অদু কোর্ট অসিদা খঙহন্নবা য়ুনিয়ন গর্ভনমেন্ত অমসুং ষ্টেট গর্ভনমেন্ত অনিমক্তা য়াথং পিখি।

(৯) ২০২৩ গী জুলাই ২৫ ফাওবদা এফ আই আর ৬৫২৩ রেজিস্টার তৌখ্রে হায়না ২০২৩ গী আগস্ট ১ দা কোর্ট অসিদা ষ্টেত ওফ মনিপুরনা খঙহল্লকখি। মসিগী ষ্টেটস রিপোর্টকী মতুং ইন্না, ২০২৩ গী মে ৩ অমসুং ২০২৩ গী জুন ৯ ফাওবগী মরক্তা মী ১৫০ শিখ্রে অমসুং মীওই ৫০২ না অশোক অপন নঙখ্রে হায়না রিপোর্ট তৌরকই। মৈ থাবগী কেস ৫১০১ লৈ; মীওই ২৫২ না লৌখৎখিবা এফ আই আর শিংগা মরি লৈননা ফাগৎলে অমসুং প্রিভেনতিব এরেস্ট ১২৭৪০ তৌখ্রে হায়না ষ্টেটনা রিপোর্ট তৌরকই। এফ আই আর ১১দি নুপী অমসুং অঙাংগী মায়োক্তা চথবা হিংসাগী কেসশিং ওই, অদুবু মদু মখা তানা অচুম অরান থিদোকপদি মথৌ তাই হায়না ষ্টেটনা কোর্ট অসিদা খঙহল্লকখি। মীওই ৭ অমসু এফ আই আর ১১ শিং অসিগা মরি লৈননা ফাগৎলে হায়রি।

(১০) মদুগী মতাং অদুদা, অদুগুম্বা এফ আই আর অমগসু লৈরি হায়না কাওন্সিলশিংগী মরক্তগী অমনা খঙহল্লকখি। নুপীশিংগী মায়োক্তা চথবা সেকচুএল ভাইওলেন্স উৎখিবা য়াম্না নুংঙাইতনিংঙাই ওইবা ভিজুএল শিং অদুগা মরি লৈননা রেজিস্টার তৌখ্রবা এফ আই আর অনিদং ওইরবসু, ষ্টেট ওফ মনিপুরনা এফ আই আর ১১ মক সি বি আইদা শিন্ননিংলে হায়না সোলিসিতর জেনরেলগী খুত্থাংদা য়ুনিয়ন গর্ভনমেন্ত না কোর্ট অসিদা খঙহল্লকখি। কোর্ট অসিদা পুথোরকখিবা মচাকশিং অদু মতিক চাদে হায়না হায়রদুনা, এফ আই আর ৬৫২৩ অদু মখোয়গী ওফেন্সশিং অদুদা য়ুক্ফম ওইরগা কাংলুপ-কাংলুপ ওইনা খাইদোকপদি লৈতে হায়না কোর্ট অসিনা থমখি। মদু তৌনবা, অমসুং (i) মর্দর অমসুং/নত্রগা রেপ অমসুং নুপীগী ইকাই খুন্নবদা শোকহনবা; (ii) মৈ থাবা অমসুং লুত তৌবা; (iii) য়ুমগী মচাক মরল অমসুং ধর্ম্মগী লাইনিং লাইশোলনগী মফমশিং মাংহন তাকহনবা; অমসুং (iv) গ্রিভিয়স হর্ত, চেন্নবা কেসশিংগা মরি লৈনবা এফ আই আর মশিং কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বদু কোর্ট অসিদা খঙহল্লরুবা ষ্টেত্তা য়াথং পিখি। ইনভেসতিগেসন তৌবদা য়াম্না তপ্পদুদা কোর্ট অসিনা পেন্দবা ফোংদোকখি। ২০২৩ গী মেগী অঙনবা শরুক্তা

ক্রাইমশিং থোকখিবা অদুগা এফ আই আর শিং চনবগগি মরক্তা মরম চাদবা থেংথবা লৈখি অমসুং শাখিশিংগী জবানশিং লৌবা অমসুং মী ফাগৎপা তৌবসি য়াম্না তাংই হায়না কোর্ট অসিনা পনখি। মসিগী মতুং  ইন্না, মখাগী পিরিবশিং অসি তাকপা টেবলগী মওংদা শেম্বা ষ্টেটমেন্ত অমা কোর্ট অসিনা  কৌখি:

(এ) থোকখিবা থৌদোক খুদিংমক অদুগী থোকখিবা তারিখ;

(বি) জিরো এফ আই আর চনবা লৈরবদি মদু চনবগী তারিখ;

(সি) রেগুলর এফ আই আর চনবগী তারিখ;

(দি) শাখিশিংগী ষ্টেটমেন্তশিং লৌবা তারিখশিং;

(ই) কোর্ট ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিজর ১৯৭৩ গী সেক্সন ১৬৪ গী মখাদা স্টেটমেন্তশিং লৌবা লৈরবদি মদু লৌখিবা তারিখশিং;

(এফ) ভিক্তিমশিং মেদিকেল একজামিনেসন তৌখিবা তারিখশিং;

(জি) মীফা মীপুন তৌবা লৈরবদি মদু তৌখিবা তারিখশিং; অমসুং

(ঐছ) কমপ্লেন/এফ আই আর অদুদা একুজ অদু মমিং পনব্রা।

(১১) স্টেট ওফ মনিপুরনা লানখৎলখিবা স্টেস রিপোর্ট অদুদা ২০২৩ গী মে ৩ অমসুং জুলাই ৩০ গগী মরক্তা চনখিবা এফ আই আর ৬,৫২৩ অদু মাগী মাগী মখলগী মতুং ইন্না কাংলুপ-কাংলুপ খাইদোক্তুনা য়াওই। মদু মখাদা ইথোক্লে;

**"দিসএগ্রিগেসন ওফ ৬৫২৩ এফ আই আরস**

**(২০২৩ গী মে ৩ দগী জুলাই ৩০ ফাওবা)**

**১. মর্দর অমসুং/নত্রগা রেপ অমসুং নুপীগী ইকাই খুম্নবদা শোকহনবা:**

| Sl. No. | ক্রাইম | সেক্সন ওফ লো (আই পি সি) | কেস মশিং |
|---|---|---|---|
| (i) | মর্দর | ৩০২/৩০৪-র্মদর | ৭২ |
| (ii) | রেপ | ৩৭৬/৩৭৬ দি-রেপ/গেঙ্ রেপ | ৩ |
| (iii) | র্মদর এন্দ রেপ | ৩০২/৩০৪-র্মদর এন্দ ৩৭৬-রেপ | ১ |

| | | | |
|---|---|---|---|
| (iv) | নুপীগী ইকাই খুম্নবদা শোকহনবা | ৩৫৪- নুপীগী ইকাই খুম্নবদা শোকহনগে হায়বগী অনিংবগা লোইননা নুপীদা এসোল্ট নত্রগা ক্রিমিনেল ফোর্স শিজিন্নবা | ৬ |

**মসি খঙজিনবীয়ু: এফ আই আরশিংদা ওফেন্সশিং হঞ্জিন্না য়াওশিনবসু য়াওই**

## ২. মৈ থাবা, লুট তৌবা, য়ুম-কৈগী মচাক মরল মাংহন তাকহনবা

| Sl. No. | ক্রাইম | সেক্সন ওফ লো (আই পি সি) | কেস মশিং |
|---|---|---|---|
| (i) | মৈ থাবা | ৪৩৬/৪৩৫- মৈ নত্রগা পোকখাইনিংঙাই ওইবা মচাক শিজিন্নরগা মিসচীফ তৌবা (মৈ থাবা) | ৪৪৫৪ |
| (ii) | লুত তৌবা | ৩৮০- লৈনবা য়ুমদা হুরান চিন্থি তৌবা<br>৩৯২/৩৯৭/৩৯৫/৪০০/৩৯০- রোবরি, দেকোইতি | ৪১৪৮ ওফেন্সশিং হঞ্জিন্না য়াওশিনবসু য়াওই |
| (iii) | য়ুম কৈগী মচাক মরল মাংহন তাকহনবা | ৪২৭- অমাং-অতা থোকহনবা মিসচীফ | ৪৬৯৪ ওফেন্সশিং হঞ্জিন্না য়াওশিনবসু য়াওই |
| (iv) | পব্লিক প্রোর্পতিদা অকাই অতোই থোকহনবা | ৩ পি দি পি পি এক্ট-পব্লিক প্রোপরটিদা অকাই অতোই থোকহনবা মিসচীফ | ৫৮৪ ওফেন্সশিং হঞ্জিন্না য়াওশিনবসু য়াওই |

**মসি খঙজিনবীয়ু: এফ আই আরশিংদা ওফেন্সশিং হঞ্জিন্না য়াওশিনবসু য়াওই**

## ৩. লাইনিং লাইশোনগী মফমশিং মাংহন তাকহনবা:

| সিরিএল নম্বর | ক্রাইম | সেক্সন ওফ লো (আই পি সি) | কেসকী মশিং |
|---|---|---|---|

| | | | |
|---|---|---|---|
| (i) | লাইনিং লাইশোনগী মফমশিং মাংহন তাকহনবা | ২৯৫/২৯৫ এ-লাইনিং-লাইশোনগী মফমদা অকায়-অতোয় থোকহনবা নত্রগা মাংথোকপা | ৪৬ |

৪. **গ্রিভিয়স হর্ট**

| সিরিএল নম্বর | ক্রাইম | সেক্সন ওফ লো (আই পি সি) | কেসকী মশিং |
|---|---|---|---|
| (i) | গ্রিভিয়স হর্ত | ৩২৫/৩২৬-গ্রিভিয়স হর্ত | ১০০" |

১২. স্টেটস রিপোর্ট অদুদা এফ আই আরশিংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং, থা থাগী ওইনা থোকপা ক্রাইমশিং, কেসশিং রেজিসতার তৌবা, অমসুং অশিবশিং অমসুং অশোকপশিংগী রিপোর্ট তৌরকপশিং য়াওই। স্টেটস রিপোর্ট অদুনা মখাগী দাতাশিং অসি পী:

| | | |
|---|---|---|
| "(1) | ওরিজিনেল জুরিসদিক্সন লৈবা পুলিস স্টেসন্দা রেগুলর এফ আর আরশিং ওইনা চনখিবা এফ আই আরগী অপুনবা মশিং | ৪৭৬৬ |
| (2) | জিরো এফ আর শিং ওইনা চনখিবা এফ আই আরশিংগী অপুনবা মশিং | ১১,৪১৪ |
| (3) | জুরিসদিক্সন লৈবা পুলিস স্টেসন্দা ট্রান্সফর তৌরকখ্রবা জিরো এফ আই আরশিংগী অপুনবা মশিং | ১০,৩৮২ |
| (4) | জুরিসদিক্সন লৈবা পুলিস স্টেসনশিংনা রেগুলর এফ আই আর ওইনা ওন্থোকখ্রবা জিরো এফ আই আরশিংগী অপুনবা মশিং | ৬,৬২১" |

১৩. স্টেটস রিপোর্ট অদুনা শাখিশিং মচীন হঙবা, মী ফাগৎপা অমসুং ভিক্তিমশিং মেদিকেল একজামিনেসন তৌবগী মতাংদা লৈরিবা মখাদা পীরিবা ফিভম অদু তাকই:

"শাখিশিং মচীন হঙবা, মী ফাগৎপা নচিংবা

**(১) মর্দর, রেপ, নুপীশিংগী ইকাই খুন্নবদা শোকহনবা**

| | | |
|---|---|---|
| ৱিতনেসকী রের্কোদ তৌখ্রবা স্টেটমেন্তশিংগী মশিং | : | ১৯৩ |
| সেক্সন ১৬৪ গী মখাদা লৌবা স্টেটমেন্তশিংগী মশিং | : | ৩ |
| মী ফাগৎপগী মশিং | : | ১৬ |
| মেদিকেল একজামিনেসন তৌখিবা মশিং | : | ১৩ |

**(২) মৈ থাবা, লুত তৌবা, লন থুমদা অমাং অতা থোকহনবা**

| | | |
|---|---|---|
| ৱিতনেসকী রের্কোদ তৌখ্রবা স্টেটমেন্তশিংগী মশিং | : | ১৩৬৬ |
| সেক্সন ১৬৪ গী মখাদা লৌবা স্টেটমেন্তশিংগী মশিং | : | ৩ |
| মী ফাগৎপগী মশিং | : | ১৪ |
| মেদিকেল একজামিনেসন তৌখিবা মশিং | : | ৬ |

**(৩) ধর্ম্মগী লাইনিং লাইশোনগী মফমশিং মাংহন তাকহনবা**

| | | |
|---|---|---|
| ৱিতনেসকী রের্কোদ তৌখ্রবা স্টেটমেন্তশিংগী মশিং | : | ১০ |
| সেক্সন ১৬৪ গী মখাদা লৌবা স্টেটমেন্তশিংগী মশিং | : | নিল |
| মী ফাগৎপগী মশিং | : | নিল |
| মেদিকেল একজামিনেসন তৌখিবা মশিং | : | নিল |

**(৪) গ্রিভিয়স হর্ত**

| | | |
|---|---|---|
| ৱিতনেসকী রের্কোদ তৌখ্রবা স্টেটমেন্তশিংগী মশিং | : | ৫৬ |
| সেক্সন ১৬৪ গী মখাদা লৌবা স্টেটমেন্তশিংগী মশিং | : | নিল |
| মী ফাগৎপগী মশিং | : | ১২ |
| মেদিকেল একজামিনেসন তৌখিবা মশিং | : | ৭” |

(১৪) কোর্ট অসিদা ৱাফমশিং অসি অসুম্না থল্লকপা অসিদা, কোর্ট অসিগী খুদক্তা মীৎয়েং চংবা মথৌ তাবা য়াম্না মরু ওইবা হিরম খরা থোক্লুকলে। পিটিস্নরশিংগী মাইকৈদা লেপ্লিবা কাওন্সিলনা মখাগী ৱাফমশিং অসি অকক্লনা থল্লকখি:

এ. হিংসাগী থৌদোক অসিগী, অকক্লনা নুপীগী মায়োক্তা চৎথবা সেকচুএল ভাইওলেন্স কী সরভাইভরশিং অমসুং ভিক্তিমশিংগী ইমুং মনুংশিংনা হায়বদু তাবিনবা অমসুং মখোয়গী অৱাবদু ফহন্নবা অমসুং মখোয়গী থাজবা অমুক হন্না হঞ্জিন্নবা কোর্টনা শেম্বা কমিটি অমা হাপ্পগি মথৌ তাবা;

বি. মখাগী পিরিবশিং অসি তৌহন্নবগীদমক মনিপুরগী ৰাংমদগী পুলিস ওফিসর মঙা (৫) য়াওবা কোর্টনা হাপ্পা স্পিসিএল ইনভেস্তিগেতিং তিম অমা শেম্বা:

(i) এফ আই আরশিং চনবা;
(ii) সি আর পি সি গী সেক্সন ১৬৪ গী মখাদা ভিক্তিমশিংগী জবানশিং লৌবা; অমসুং
(iii) সি আর পি সি গী সেক্সন ১৬৪ এ গী মখাদা ভিক্তিমশিংবু মেদিকেস একজামিনেসন তৌবা;

(সি) ভিক্তিমশিং অমসুং শাখিশিং ঙাকপী শেনবীবা;

(দি) লিগেল এড ফংহনবা

(ই) থুনা ট্রাইএল চত্থবগী হক ফংহনবা;

(এফ) সরভাইভর নত্রগা ভিক্তিমশিংদা শেল লৌদনা মতিক চাবা মেদিকেল এড ফংহনবা;

(জি) মখাদা পিরিবশিং অসি তৌবা য়াওনা কাংলুপকি ইরাং অসিগী ভিক্তিমশিং অসিগীদমক্তা তুঙ কোইনা অওনবা পুরক্কদবা অমসুং অৱাবা নঙবদু কোক্লবা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পিবা য়াওনা জসতিস ফংহনবা:

(i) রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ফিমদু নিংথিনা মতিক চানা থম্বা;
(ii) হিংসাগী থৌদোক অদুগী ভিক্তিমশিংদা কম্পেনসেসন পীবা অমসুং হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিনহনবা; অমসুং
(iii) চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা;

ঐছ. ই-পাউগী অহোবা লৈতনবা রিলিফ কেম্পশিংদা অমদি অতোপ্পা মফমশিংদা নোদেল ওফিসরশিং হাপতুনা রাইট তু ইনর্ফোমেসন ফংহনবা;

আই. অশিবা হকচাংশিং লোইশিনবদা মতিক চাবা ইকাই খুম্নবা ফংহনবা অমসুং

জে. পব্লিক সরভেন্তশিংনা মথৌদা থওইদবগী মতাংদা থিজিন্নবা কম্মিসন ওফ ইনক্কারি অমা হাপ্পা।

(১৫) কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩২ গী মখাদা লৈবা মসিগী শক্তী শিজিন্নদুনা কোর্ট অসিনা খুৎ থিংজিনবা মথৌ তাহল্লিবা লৈরিবা ফিভমশিং অদু জজমেন্ত অসিদা মথং মনাও নাইনা মমাংদা

পনখিবশিং অসিদগী শেংনা থোরক্লে। মনিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অমসুং উংখৎনবা অসি মেদিয়াদা পাক শন্না কবরেজ তৌই। কোর্ট অসিগী প্রোসিদিংশিং অসিদা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরিনা লানখলকখিবা এফিদেভিদ অদুদা অসুন্না হায় মদুদি:

> "৪. ........ মৈতৈ কাংলুপপু সেদ্যুল ট্রাইবকী লিস্ততা য়াওহন্নবগী তাল্লিবা দিমান্দ অদুগী মায়োক্তা ওল ট্রাইবেল স্টুদেন্স য়ুনিয়ন মনিপুর (এ টি এস য়ু এম) না শিনখিবা ট্রাইবেল সোলিদারিতি মার্চ কী খোঙচৎ চৎখ্রবা মতুংদা তারিখ ৩-০৫-২০২৩ দা মনিপুরদা য়াম্না চাওনা হিংসা থোরকখি। মসিগী খোংচৎ অসিনা মরম ওইরগা মৈতৈশিংনা মদুগী মায়োক্তা কাওন্তর রেস্পোন্স তৌরকখি। মদুগী মতুংদা, মনিপুরদা য়াম্না চাওনা হিংসা থোরকখি, অমসুং হিংসা অদুগী ফল ওইনা, মনিপুরগী মী ময়াম অমগী পুন্সী মাংখি অমসুং অতোপ্পা ময়াম অমনা শাথিনা শোকখি; মখোয়গী য়ুমশিং অমসুং লন-থুমশিং মৈ থাখি; অসুন্না মৈ থাবা অদুগী ফল ওইনা, মখোয় ময়াম অমা ময়ুম মকৈ লৈতবা ওইহনখি। মসিগীসু মথক্তা, হিংসাগী থৌদোকশিং অমসুং নুপীশিংগী মায়োক্তা চথুবা অহকপা ক্রাইমশিং মীয়াম্না খঙনরকখি।"

য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরিনা অসুম্নসু থম্মী মদুদি এফ আই আর অনিখক ইনভেসতিগেসন তৌনবগী সি বি আইদা শিন্ননবা ২০২৩ গী জুলাই ২৬ তা মনিপুর সরকারনা রিকমেন্দ তৌরকখি; মদু ২০২৩ গী জুলাই ২৭ তা য়ুনিয়ন মিনিস্ট্রি ওফ হোম এর্ফিসনা অমুক রেকমেন্দ তৌখি। ইনভেতিগেসন অদু য়ারিবমখৈ ঙন্না লোইশিন হনবতা নত্তনা ট্রাইএল অদুসু মনিপুরগী ৱাংমদা অকক্লবা মতমগী মনুংদা তৌগদবনি হায়বা মসিগী খোঙফম অদুসু য়ুনিয়ন গর্ভনমেন্তনা কোর্ট অসিদা খঙহল্লকখি।

মনিপুরদা ইনভেসতিগেতিং মেছিনরিনা ইনভেসতিগেসন তৌবদা য়াম্না তপ্পী হায়বদু কোর্ট অসিদা লানখৎলকখিবা মচাকশিং অদুনা উৎলি; হায়রিবা মচাকশিং অদুনা মখাগীশিং অসি তাকই:

এ. মর্দর, রেপ অমসুং মৈ থাবা য়াওনা য়াম্না হকচিনবা ক্রাইমশিং চেন্নবা থৌদোকশিং থোকপা অমসুং জিরো এফ আই আর শিং চনবগগী মরক্তা মতম য়াম্না কুইনা থেংথবশিং লৈ;

বি. থৌদোকশিং অদুগী জুরিসদিক্সন লৈবা পুলিস স্টেসনশিংদা জিরো এফ আই আর শিং র্ফোদৱাদ তৌবদা মতম য়াম্না কুইনা থেংথবশিং লৈ;

সি. জুরিসদিক্সন লৈবা পুলিস স্টেসন শিংনা জিরো এফ আই আরশিংবু রেগুলর এফ আই আরশিং ওন্থোকপদা মতম থেংথবশিং লৈ;

দি. শাখিগী জবান লৌবদা মতম থেংথবশিং লৈ;

ই. সি আর পি সি গী সেক্সন ১৬১ অমসুং ১৬৪ গী মখাদা স্টেটমেন্তশিং লৌবদা নিংথিনা থৱাই য়াওনা তৌবা ৱাৎলি;

এফ. হকচিনবা ওফেন্সশিং চেন্নবা কেসশিংগা মরি লৈননা মী ফাগৎপদা য়াম্না তপ্পী; অমসুং

জি. ভিক্তিমশিং মেদিকেস একজামিনেসন তৌহন্নবা হোৎনবদা থৱায় য়াওবা ৱাৎলি।

(১৬) ইনভেসতিগেসনগী প্রোসেসতা অশোইবশিং লৈবসি মনিপুরগীদমক্তা অফবা ওইরোই। য়াম্না থুবা অমসুং মীচং মীখাই নাইদবা মওংদা জজতিস ফংহনবগী সিষ্টেম অদুগী মরুওইবসি হঞ্জিন্না পন্নবগী মথৌ তাদ্রে, অদুবু ঐখোয়না খন্নরিবা ওফেন্সশিং অসিগী মরু ওইবদু য়েংলগা মখোয়গী মরুওইবদু কোর্ট অসিনা অমুক হন্না পনবা মথৌ তাহল্লে:

এ. হকচাংদা চথবা ওফেন্স নত্রগা সেকচুএল ওফেন্স অমা তৌরে হায়না কমপ্লেন তৌরকপা মতমদা, এফ আই আর চল্লবা মতুং থেংথবা তৌদনা ভিক্তিম অদু মেদিকেল একজামিনেসন তৌবা মথৌ তাই (অসুম্না মেদিকেস একজামিনেসন তৌবসি ভিক্তিম অদুনা মদুদা অয়াবা পীবগী মখা পোনগনি)। মসিগী মরমদি ট্রাইএল অমদা য়াম্না মরুওইবা অচুম্বা পুথোকপদা মতেং ওইগদৌবা ইভিদেন্সকী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমদি ভিক্তিমনা থেংনরিবা অশোক-অপনশিং অদুগী মওং মতৌ অমসুং মদুগী শাথিবগী চাং অদুনা ওই। মদুগী অশোকপা অদু লৈখি হায়বদু কোর্টনা পেনিংঙাই ওইবা চাংদা প্রমান তৌগদবনি। মসিগী মতাং অসিদা আইন্না মতিক চানা অয়াবা পীরবা রেজিস্টার তৌরবা মেদিকেল প্রেক্টিস্নর অমনা মেদিকেল একজামিনেসন তৌবা অসি অশোক-অপন নংখি হায়বদু প্রমান তৌনবা মথৌ তাই। মতমনা অসুম হৌজিনখিদুনা, অসুম্না অশোক-অপন য়াওবা খরদি ফখি অমদি অশোকপদু কদাই ফাওবা শোকই হায়বদু রেজিস্টার তৌরবা মেদিকেল প্রেক্টিস্নর অমনা চপ চানা য়েংবদা অরুবা ওই (অমসুং কেস খরদদি অসুম্না য়েংবসি ওইথোক্তে)। অশোকপা অদু থোকহনখিবা খুৎলাই গী মখল নত্রগা মদু থোকহনখিবা ট্রাওমাগী মখল অদুগী মতাংদা রেজিস্টার তৌরবা মেদিকেল প্রেক্টিস্নর অমনা মহাক্কী মত পীবদসু লুনা থোকই। এক্যুজতগী লৌখৎপা খুৎলাই অমা ভিক্তিম্না নঙলিবা অশোকপা অদুগা মরি লৈনরম্বা য়াই হায়বদু থেংনরবদি মসিগী ৱাফমশিং অসি ট্রাইএল তৌবা মতমদা য়াম্না মরু ওইরকই। ভিক্তিম/সরভাইভরনা নঙলিবা অশোকপা অদু এক্যুজতগী লৌখৎপ খুৎলাই অদুনা থোকহনবনি হায়বদু প্রোসিক্যুসন্না প্রমান তৌবা ঙমদ্রবদি, ওফেন্স অমগী মরাল লৈরবা মীশক অমা মরম চাদনা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা য়াই। অতোপ্পা মওং অমদা, ভিক্তিম/সরভাইভরনা নংলিবা অশোকপা অদু এক্যুজতগী লৌখৎপ খুৎলাই অদুগা মরি লৈনৈ হায়না লান্না থেংনরবদি, মরাল লৈতবা মীশক অমা লান্না মরাল লৈ হায়না দন্দি পীবা য়াই। সেকচুএল ওফেন্স অমা তৌরে হায়না কমপ্লেন তৌরকপা মতমদা, মতম অসি য়াম্না হেন্না মরু ওইরকই। মেদিকেল একজামিনেসন তৌবদুনা ভিক্তিম/সরভাইভরগী ফী-রোল নত্রগা হকচাংদগী এক্যুজ অদুগী দি এন এ লৌখৎপা য়াই। মদুনা ভিক্তিম/সরভাইভরনা নংলিবা

অশোকপশিং অদুগী মওং মতৌ অমসুং কয়াম শাথিনা শোকই হায়বদু খঙদোকপা অমসুং রেকোর্দ তৌবসু য়াই। ওফেন্স অদু তৌরে হায়বগী মতাংদা পাউ ফংবা মতমদগী পুং ২৪ গী মনুংদা রেপ ভিক্তিম অদু মেদিকেস একজামিনেসন তৌবা অসি সি আর পি সি গী সেক্সন ১৬৪-এ না মথৌ তাহল্লীবসিগী মরমশিংগী মরক্তা মসি মরম অমনি (অসুন্না মেদিকেল একজামিনেসন তৌবসি ভিক্তিম/সরভাইভর অদুনা মদুদা অয়াবা পীবগী মখা পোনগনি)। তশেংনা চিংননিঙাই লৈতনা, অসিগুম্বা ইভিদেন্স লৈতবা অদুনা মরাল লৈতে হায়না থাদোকপদি তৌফম থোক্তে। অদুম ওইনমক, য়াম্না মরুওইবা, অচুম্বা পুথোকপদা মতেং ওইগদৌবা ইভিদেন্স অদু প্রোসিক্যুসন্দা ফংহন্দনবগী নত্রগা আইন্না থল্লিবা ইনভেসতিগেসন তৌবগী প্রোসিজরশিংদগী নাথৈনবগী মরম অমত্তা লৈতে;

বি. সি আর পি সিগী সেক্সনশিং ১৬১ অমসুং ১৬৪ গী মখাদা লৌবা ষ্টেটমেন্তশিং অদু য়ারিবমখৈ য়াম্না থুনা লৌগদবনি। অসিগুম্বা স্টেটমেন্তশিং অসিনা ইভিদেন্স লৌখৎপদা নত্রগা এক্যুজ ওইরিবা মীওইশিং নত্রগা শাখিশিং মশক তাকপদা য়াম্না চাওনা মতেং পাংই। সি আর পি সিগী সেক্সন ১৬১ গী মখাদা লৌবা স্টেটমেন্ত অসি ট্রাইএল তৌবা মতমদা য়াম্না মরু ওইরকপা য়াই ইন্দিয়ন ইবিদেন্স এক্ট ১৮৭২ গী সেক্সন ১৪৫ কী মতুং ইন্না শাখি অমনা হায়রিবদু লাল্লি হায়না উৎননবা মদু দিফেন্সনা শিজিন্নবা য়াই;

(সি) সি আর পি সিগী সেক্সনশিং ১৬১ অমসুং ১৬৪ গী মখাদা লৌবা স্টেটমেন্তশিং অমদি মসিগা লোইননা ভিক্তিম মেদিকেল একজামিনেসন তৌবা অদুনা ইভিদেন্স লৌখৎপা অমসুং মরি লৈনবা ফেকশিং থিদোকপদা চাওনা মতেং ওই; মদুনা প্রোসিক্যুসনবু এক্যুজ ওইরিবা মীওই/মীওইশিংবু চুন্না মশক খঙদোকপা অমসুং মখোয়বু ফাগৎপা অসি ঙমহনগনি। মসিনা অমুক ট্রাইএল অদু হেক য়ারিবমখৈ য়াম্না থুনা হৌহনবা অমসুং জসতিস তৌবা ঙমহনগনি। জসতিস ফংবদা থেংথহনবা হায়বসি তশেংবমক জসতিস ফংহন্দবগা মান্নে;

(দি) পুলিসনা এক্যুজ ওইরিবা মীওই অদু থুনা মশক খঙদোকপা অমসুং ফাগৎপা অসি য়াম্না য়াম্না মরুওই মরমদি এক্যুজ ওইরিবা মীশক অদু ইনভেসতিগেসন অদু মপুং ফানা লোইশিন্নবগীদমক দরকার ওইরকপা য়াই। মখা তানা, এক্যুজ অদুনা ইভিদেন্স অদু শেমদোক শাদোক্লবা নত্রগা মাংহন্নবা, শাখিশিংবু কিহন্নবা অমসুং ক্রাইম থোক্লিবা মফমদগী চেনখিনবা হোৎনরকপা য়াই। অকক্লবা কেস অমদা ফাগৎলবা মীওই অমনা মদু তৌরকপা য়াই নত্রগা তৌরক্তবা য়াই হায়বদুদি মদুগী ৱাফম অদুবু খন্নরিবা কোর্ট অদুনা লেপচনবা থমগদবা ৱাফমনি (বেলগী প্রোসিদিং তৌরবদি মদুদা তৌগদবা); অদুবু মরম শুকলৈ লৈতবিদা এক্যুজ অদু মশক খঙদোকপদা অমসুং ফাগৎপদা মতম য়াম্না থেংথবা অসি কোর্ট অসিনা য়াবা ঙম্লোই;

(ই) ওফেন্স অমা তশেংনা তৌরবা মীশক অমা মশক খঙদোকপা, ফাগৎপা, মাগী মায়োক্তা আইনগী থবক লৌখৎপা অমসুং মরাল লৈ হায়বদু খঙদোকপা অসিগী মরু ওইবদু হেঞ্জিন্না

হায়জিনবা য়াদে। কমপ্লেন তৌরক্লিবা ওফেন্স অদু তশেংনা তৌদবা মীওই অমা পুলিসনা ফারবদি, মদুনা ইনজসতিস অনিরক থোকনা তৌহল্লে: তশেংনা মরাল লৈরবা মীশক অদুদি দন্দি পীদ্রে অদুগা মরাল লৈতবা মীশক অমদি মরম চাদনা অৰাবা নংহল্লে; অমসুং

(এফ) য়াম্না থুনা ইনভেসতিগেসন তৌবা অসি ট্রাইএল অমদা অচুম্বা মরম চাবা অমসুং মতিক চাবা ফল ফংহনবা অমসুং ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা এডমিনিষ্ট্রেসন ওফ ক্রিমিনেল জসতিসতা থাজবা মাংহন্দনা থম্নবা দরকার ওই। য়াম্না থুনা ইনভেসতিগেসন তৌবা অসিনা তুংদা তৌরক্কদবা ক্রাইমশিং থিংনবগী থবকসু তৌই মরমদি মরাল লৈরবা মীশক অমবু ক্রিমিনেল জসতিস সিস্টেম্না য়াম্না থুনা অমসুং অশোইবা য়াওদবিদা দন্দি পী হায়বদু উরবা মীশকশিংনা মান্নবা ক্রাইমশিং তৌনবা হোৎনরকপদা পুক্লিংদা অকিবা ফাওহনগনি। ইরোই লোইবা অদুবু য়াম্নদি মরু ওইবা ৰাফম অমনা, য়াম্না থুনা ইনভেসতিগেসন অমসুং ট্রাইএল তৌবনা প্রোসিদিংশিং তৌবদা চংবা মতমনা মরম ওইরগা ভিক্তিমশিং/সরভাইভরশিংগী ৰাখলদা অৰাবা পোকহনবদু কুইনা শাংথনা পোকহন্দে।

(১৭) মনিপুরদা থোকপা কাংলুপকি উংখৎনবা অসিদা নুপীশিংদা শাথিবা মখলগী সেকচুএল ভাইওলেন্সকী থৌওংশিং চথখিবা মওং অদুদা কোর্ট অসিনা ফাওরিবা নুংঙাইতবা অদু ফোংদোকফম থোকই। নুপীশিংদা সেকচুএল ক্রাইমশিং অমসুং হিংসা চথবা অসি শুকয়া য়াদবনি অমসুং মদুনা কন্সটিট্যুসনগী পাৰ্ট (iii) গী মখাদা খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা ফন্দামেন্তেল রাইটশিংনি হায়না ঙাকলৌ পিরিবা মী অমা ওইবগী ইকাই খুম্নবিবগী হক, মীশক অমগী নীংতম্বা অমসুং মশা মথন্তা ৰারেপ লৌজবগী হক- হায়রিবা কন্সটিট্যুস্নেল ভেল্যুশিং অসিবু খোঙ্গাওনবা ওইনা থোক্লে। মোব শাগৎলিবশিং অসি, মখোয়না য়াম্না চাওনা পুনবা মীওই কাংলুপ অমগী মেম্বর ওইরবদি, মখোয়না তৌরিবা ক্রাইমশিং অদুগী ফংফম থোকপা দন্দি অদু ফংদবসু য়াই হায়বদু য়াওনা, মরম ময়াম অমদগী মহৌশানা মোবশিংনা নুপীশিংগী মায়োক্তা হিংসা চথে। কাংলুপকি ইরাং থোকপা মতমদদি, মোবশিংনা ভিক্তিমশিং নত্রগা সরভাইভরশিং অদুগী কম্যুনিতি অদুদা মখোয়না মদুগী কম্যুনিতি অদুদগী হেন্না পাঙ্গল কল্লি হায়বা মেসেজ অমা পিননবা সেকচুএল ভাইওলেন্স অসি শিজিন্নৈ। উংখৎনবা থোক্লিঙৈ মনুংদা নুপীশিংগী মায়োক্তা অসুন্না হিংসা চথবা অসি করিসু নত্তে, মীনুংশি খঙদনা মীওৎ মিনৈ চথবনি। অসিগুম্বা কন্দেম তৌনিংঙাই ওইবা হিংসাগী থৌওং মীয়াম্না চথবা থিংবা অমসুং হিংসাগী থৌওং অদুনা শোকহনগদৌরিবা মীওইশিং অদুবু ঙাকশেনবা হায়বসি ষ্টেটকী/সরকারগী তৌফদ্রবা থৌদাংনি- মসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা মথৌনি।

(১৮) কাংলুপকী উংখৎনবা অসিনা য়ুম কৈগী মাল চাং অমসুং ধৰ্ম্মগী লাইনিং লাইশোনগী মফমশিং য়াম্না পাক চাওনা মাংহন তাকহনবসু থোকখ্রে। মসিগী মতাং অসিদা, মসিগী কন্সটিট্যুসন্না পিরিবা থৌদাং পাংথোকপদা, কোর্ট অসিনা লৈরিবা ফিভম অসিদা থবক লৌখৎপা হায়বসি কোর্ট অসিগী তঙাইফদবা মথৌনি। অসিগুম্বা ক্রাইমশিং অসিগী ভিক্তিমশিং অসিনা অসিগুম্বা ক্রাইমশিং

অসি অমুক হন্না থোকহন্দবগী মখোয়দা লৈরিবা হক অদু কোর্ট অসিনা অসুন্না থবক লৌখৎপা অসিনা মখোয়দা মদুগী হক অদু ফংহনবগী মায়কৈদা খোঙথাং অমা থাংজিনবা ওইরগনি হায়নসু কোর্ট অসিনা থল্লে। কোর্ট অসিনা পিরবা রেমেদিশিং অসি কাংলুপ খুদিংদা মীচং মীখাই নাইদবা ওইরগনি অমদি কাংলুপকি ইরাং অসিনা (মওং অমদা হেক্তা) শোকহল্লবা খুদিংদা জসতিস তৌরগনি হায়না কোর্ট অসিনা খল্লিবশিং অদুনি। মখোয়গী কম্যুনিতিদু ওইনিংবা ওইরবসু হিংসাগী থৌদোকশিংগী ভিক্তিমশিংনা অসুন্না হিংসানা শোকহল্লবশিংগী অখন্ননা লৌখৎপা থৌরাংশিংগী কান্নবা অদু ফংগদবনি। মসিগা মান্নবা মওংদা, হিংসাগী থৌদোকশিং অদুগী হৌরকফম ওইনিংবা ওইরবসু, অসুন্না হিংসা তৌরিবশিং অদু মখোয়না তৌরিবশিং অদুগী দাইত্যা পুহনবা তাই। হিংসা অদু লাকশিনবদা লো এনর্ফোসিং মেছিনরিগী অৰাৎপা লৈখি অমসুং অকক্লবা ফিভম খরদা হিংসা তৌরিবশিংগা লৌতুনবদা য়াওখি হায়না তাকপা শাখিশিংগী ষ্টেটমেন্তশিং য়াওনা য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওইবা মরাল শিবশিং লৈ। মতিক চানা ইনভেসতিগেসন তৌবা লৈতনা, কোর্ট অসিনা অসুন্না মরাল শিরিবশিং অদুগী মতাংদা ৰা হায়খিরোই। অদুবু, য়ামদ্রবদা, অসুন্না মরাল শিরিবশিং অসি মীচং মীখাই নাইদবা ফেক ফাইনদিং অমদি পাংথোকপা মথৌ তাই। পব্লিক দ্যুতিবু মতিক চানা তৌখিদবশিং অদু, মখোয়গী রেঙ্ক, পোজিসন নত্রগা পাইরিবা পোস্ট অদু তোঙান্না থমখ্রগা, মদুগীদমক্তা দাইত্য লৌহনফম থোকই। মখোয়গী কন্সটিট্যুসননা পীবা অমসুং ওফিসিএল দ্যুতিশিং অদুবু নিংথিনা পাংথোকখিদবতা নত্তনা ইরাং তৌবশিংগা লৌতুনরগা মখোয় মশামক ওফেন্দরশিং ওইবগী মরাল লৈরবা ষ্টেট অসিগী ওফিসার খুদিংমক নত্রগা এমপ্লোয়ি অদু মদুগী দাইত্য শুংশোই শোইদনা পুহনগদবনি। কন্সটিট্যুসননা মীপুম খুদিংমক্তা জসতিস ফংহনগনি হায়না থাজবা পী, মসিনি কন্সটিট্যুসন্না কোর্ট অসিদগী অমসুং সরকারগী মশা খুদিংমক্তগী দাবী তৌরিবসি।

(১৯) মসিগী মতাং অসিদা, কোর্ট অসিনা তৌরিবশিং অসিগী চাওরাকপা পান্দম অনি লৈ। অহানবদা, হিংসা লেপহনবা, হিংসা তৌরিবশিংবু আইন্না থম্বা প্রোসিজরগী মতুং ইন্না দন্দি পীবা অমদি মদুগী মতুং ইন্না জসতিস সিস্তেমদা মীয়ামগী থাজবা অদু হঞ্জিহনবগী মথৌ তাই। অনিশুবদা রুল ওফ লো হঞ্জিনহনবা অমসুং ইনভেসতিগেসন অমদি প্রোজিক্যুসনগী প্রোসেস্টা মীয়াম্না থাজহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

২০. মথক্তা ময়েক শেংনা পনখিবা পান্দমশিং অসি ফংনবগীদমক, লৌখৎকদবা খোঙথাংশিং মখাগী দাইরেক্সনশিং অসি ঐখোয়না পীরে:

এ. মখাদা পল্লিবা মেম্বর অহুমগী ওইবা কমিতি অমা শেল্লে:

(i) জস্তিস গীতা মিত্তল, হায় কোর্ট ওফ জম্মু এন্দ কাশমির গী হান্নগী চীফ জস্তিস ওইবিরম্বী;

(ii) জস্তিস শালিনী ফন্সালকর জোশী, হায় কোর্ট ওফ জুদিকেচর এট বোম্বে গী হান্নগী জজ ওইবিরম্বী; অমদি

(iii) জস্তিস আশা মেনন, হায় কোর্ট ওফ দিল্লী গী হান্নগী জজ ওইবিরম্বী।

বি. কমিতি অসিনা লৌখৎকদবা খোঙথাংশিংদি:

(i) মে গী তারিখ ৪, ২০২৩ দগী হৌরগা মনিপুরদা থোকখিবা নুপীশিংগী মাইয়োক্তা চথখিবা হিংসা গী মওং-মতৌ গী মতাংদা থিজিনবা। হায়রিবা অসিগীদমক, অৰেবা লীখুন পুন্নমক হায়বদি সরভাইভরশিং, সরভাইভরশিং গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং, লোকেল/ফুরুপ গী মহুৎ শীনবশিং, রিলিফ কেম্পশিংবু য়েংশিল্লিবা ওথোরিটিশিং গা হকথেংননা উনখিবশিং অমসুং লৌখৎখিবা এফ আই আর শিং অমদি মিদিয়া গী রিপোর্ট শিং য়েংগনি। অমসুং

(ii) সরভাইভরশিং গী তঙাইফদবশিং হায়বদি ইজ্জৎ লৌবিখ্রবিশিংনা থেংনরিবা পুক্নিং-ৰাখল লৈতাদবগী চৈথেংশিং হন্থহনবা, সমাজিক ওইবা, শেন্মীৎলোন অমসুং পুক্নিং-ৰাখল গী লমদা মতেং পীবা, খুদক্কী ওইবা তেঙবাং পীবা অমদি অকক্নবা মতম অমগী মনুংদা মহৌশাগী পুন্সিদা অমুক হঞ্জিনহনবদা চঙবা মথৌ-তাবা লৌখৎকদবা খোঙথাংশিংগী মতাংদা কোর্ট অসিদা রিপোর্ট অমা পীখৎপা:

(iii) ভিক্তিম শিং অমদি হিংহৌরবা সরভাইভরশিংদা মপুং ফাবা হকশেলগী তেঙবাং লেন্না ফংহনবা অমসুং মখোয়গী পুক্নিং-ৰাখল য়েংশিনবীনবা নিংথিনা ঙাকপা:

(iv) রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেল্লকপা মীওইশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা অমদি অহেনবা কেম্পশিং হাপচিন্নবা প্রস্তাব তৌবা। মসিগী মনুং চন্না, খুদম ওইনা হায়রবদা, মখাদা পীরিবা দরকার ওইবশিং অসি লৈহনবা মথৌ তায়:

এ. তরু-তনানবা, কোন্নবা চাংগী চাকথুং ফংহনবা;

বি. কোন্নবা চাংগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা সাপোন, ঈশিং, টুটপেষ্ট, অতোপ্পা হকচাং লু-নান্না থম্বদা চঙবা পোৎলমশিং অমদি ফিরোলশিং ফংহনবা;

সি. অপীকপা অঙাংশিং অমদি শঙ্গোম পীথক্লিবী মমাশিংগী অৰাৎপশিং য়েংশিনবা;

দি. তঙাইফদবা অনা-লাইয়েংগী দরকার ওইবশিং ফংহনবা;

ই. লৌনগনবা লায়নাশিং শন্দোরকপদগী লাকশীনবা;

এফ. আইন, মানো-সামাজিক, অনা লাইয়েং অমসুং জীবিকাগী মতাং দা ফংবা য়াবা তেঙবাশিংগী মতাংদা পাউ পীবা;

জি. প্রেগনেন্সি টেষ্টশিং লেন্না তৌহনবা, মীরোনবদগী ঙাকথোক্লবা খুদক্কী মতেং লেন্না পীবা; সেনিটরী পেদশিং লেন্না পীবা অমসুং গাইনিকোলোজিষ্ট তান্নবা য়াহনবা নচিংবা নুপীগী হকশেলগী তেঙবাংশিং লেন্না ফংহনবা;

ঐছ. খঙহৌদনা থোক্লকপা থৌদোক অমসুং পুন্সি তেমশিংনবা য়াবা লায়নাশিং হায়বদি হিমোফিলিয়া, কেন্সর অমদি ঐছ আই ভি/এইদস না নাবা মীওইশিং অখন্ননা য়েংশিনবীদুনা হকশেলগী তেঙবাং ফংহনবা;

আই. রিলিফ কেম্পশিং লু-নান্না থম্বা অমসুং লৈরিবা মী মশিংগা চুননা তরু-তনানবা অমাঙশঙ অমসুং ইরু লুজফম শীনবগা লোয়ন-লোয়ননা অমোৎ-অকায় অমদি অরেম-অখাক মফম চানা হুন্দোকহনবা;

জে. অত্মাঘাত তৌজবদগী ঙাকথোক্লবা তেঙবাং পীবা অমদি হিংসা না পুক্নিং-ৱাখলদা পীবা চৈথেং লাইয়েংনবা সাইকোলোজিষ্ট/সাইকিয়াত্রিষ্ট শিং চাং নায়না লাকহনবা;

কে. অঙাংশিং অমদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিং লাইয়েংবদা ফজনা খঙহৈরবা সাইকোলোজিষ্ট, সাইকিয়াত্রিষ্ট অমসুং কাউন্সেলরশিং চাং নাইনা লাকহনবা;

এল. নুপী, অঙাং অমসুং ৱাখল মীমান্নদ্রবা শিংবুসু লৈরিবা পাম্বৈশিং অসি চপ চানা ফংহন্দুনা মশা-মশাগী তঙাইফদবশিং মনিং থুংহন্নবা য়েংশিনবা; অমসুং

এম. মথক্তা পনখিবা খুদোংচাবশিং অসিগী মতাংদা রিলিফ কেম্পশিং দা লৈরিবা মীপুম খুদীংমক্তা পাক শন্না ঈ-পাউ চায়থোক্তুনা খঙহনবা য়েংশিনবা।

v. হিংসা না মরম ওইদুনা ভিক্তিম ওইহল্লবশিংগী মফমদা কম্পেন্সেসন পীদুনা অমদি হান্নগী ফিভম দা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা য়েংশিনবা; অমদি

vi. রিলিফ কেম্পশিংদা দায়ত্ব পুগদৌরিবা নোদল ওফিসরশিং হাপ্পবগী খোঙথাংশিং লৌখৎপা। অমসুং থিজিন-হুমজিনবা খুদীংমক, থিবা খঙদ্রিবা মীওইশিং, অমসুং অশিবা হকচাং শিং লৌখৎপগী মতাংদা লৈবা খুদক-খুদক্কী অহোংবশিংগী মতাংদা ঈ-পাউ পীন্নবা টোল-ফ্রি হেল্পলাইনশিংগী খুদোংচাবা লৈহনবা। হায়রিবা নোদল ওফিসরশিং অসিনা মখোয়-মখোয়গী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী রেকোর্দ থমদুনা পুকৈ শেমগদবনি। হায়রিবা পুকৈ অসি শীজিন্নরগা মখোয় মশেল পাউ-ফাওদোক্তুনা কায়নখ্রবা অঙাংশিং অমসুং অতোপ্পা মীওইশিং অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংবু মখোয়গী ইমুং মনুংগা অথুবা মতমদা পুন্সিন্নবা হোৎনগদবনি।

২১. কোর্ট অসিনা শেমখিবা জজ অহুম্না শাবা কমিতি অসিনা পাঙথোক্কদবা মথৌশিংগী শরুক অমা ওইনা, থিজিন-হুমজিন্দুনা অমসুং কম্পেন্সেসন য়েঙ্হোকপগী মথৌ তাবা খোঙথাংশিং লৌখত্তুনা থবক পায়খৎপগা লোয়ননা মখাদা পীরিবশিং অসিসু পাঙথোক্কনি:

এ. মনিপুর ষ্টেট লিগেল সর্বিসেস ওথোরিটি দা পাউতাক পীদুনা, সেক্সন ৩৫৭ এ সি আর পি সি, এন. এ. এল. এস. এ. গী কম্পেন্সেসন স্কিম ফোর ৱুমেন ভিক্তিমস/সরবাইর্বস ওফ সেক্সচুয়েল এসোল্ট/অদর ক্রাইমস ২০১৮ অমসুং দ মনিপুর ভিক্তিম কম্পেন্সেসন স্কিম ২০১৯ গী মখাদা ভিক্তিম খুদীংমক্তা কম্পেন্সেসন পীবগী থবক য়েংশিনবা;

বি. করিগুম্বা ভিক্তিম অদু লৈখিদবা থোক্লবদি, মহাক্কী খ্বাইদগী হেন্না নক্লবা হিংলিবা মীওই অদুবু কম্পেন্সেসন পীনবগীদমক মশক-মমিং খঙদোকপা;

সি. কোর্ট গী ওর্দর মতুং ইন্না রিপোর্ট ওফ কমপ্লাইয়েন্স অমা চয়োল তরুক্কী মনুংদা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌদুনা মদুদা কেস গী অকুপ্পা ৱারোল, ভিক্তিম/শাখি, পীখ্রিবা কম্পেন্সেসন, পীখিবগী তারিখ অমদি পীখিবা মীওইশিংগী ৱারোল পনগদবা;

দি. এন. এ. এল. এস. এ. গী মেম্বর সেক্রেটরি অমদি জজ অহুম্না শাবা কমিতি অনীগী শাখি ঙাকশেনবা, কম্পেন্সেসন পীবা অমদি মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনহনবা অমসুং ভিক্তিমশিংবু লাইয়েংবগী থবক শিং পুন্না য়েংশিনমিন্নগনি; অমদি

ই. হিংসা গী চৈথেং ফংলবা মীওইশিং গী লেঙথোক-লেঙজিন য়াবা অমসুং য়াদবা লন-থুম দা থোকহনবা অমাঙ-অতা গী মতাংদা কম্পেন্সেসন লেপথোক্লবা ষ্টেট ওফ মনিপুর দা পাউতাক পীবা; অমসুং

এফ. অহোংবশিংগী মতাংদা রিপোর্ট চয়োল অনী খুদীংগী কোর্ট অসিদা ফাইল তৌগদবনি।

২২. ষ্টেট ওফ মনিপুর অমদি য়ুনিয়ন গর্ভনমেন্ত না নুপী অমসুং অঙাংশিংগী মাইয়োক্তা চথখিবা সেক্সচুৱল ভাইওলেন্স গী এফ আই আর শিং লৌখৎখ্রবা কেস তরামাথোই লৈ হায়না ফোঙদোক্লি।

কোর্টতা মশা লাকখিবা মনিপুরগী ডিরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস গী পাউতাক মতুং ইন্না, পীখৎখিবা ৱারোল মখাদা উৎলি:

| “এস এল ন: | এফ আই-আর ন: অমদি সেক্সন | পুলিস ষ্টেসন | দিস্ত্রিক্ত |
|---|---|---|---|
| (১) | এফ আই আর ন: ৯৪ (৫) ২০২৩ পি আর টি পি এস য়ু/এস ১৪৭/১৪৮/১৪৯/৩০২ আই পি সি | পোরোম্পাৎ পি এস | ইম্ফাল ইষ্ট |
| (২) | এফ আই আর ন: ৫৪১ (৬) ২০২৩ পি আর টি-পি এস য়ু/এস ৩২৬/৩৫৪/৩৬৬/৩৭৫/৩০২৩৪ আই পি সি কোরেস্পোন্দিং টু এফ আই আর ন: জিরো (৬৫) (৫) ২০২৩ এস কে এল পি এস য়ু/এস ৩২৬/৩৫৪৩৬৬৩৭৫৩০২৩৪ আই পি সি | পোরোম্পাৎ পি এস | ইম্ফাল ইষ্ট |
| (৩) | এফ আই আর ন: ১১০ (০৬) ২০২৩ এন এস কে পি এস য়ু/এস ১৫৩এ/৩৯৪/৪২৭/৪৩৬/৪৪৮/৩০২/৩৫৪/৩৬৪/৩২৬/৩৪ আই পি সি কোরেস্পোন্দিং টু এফ আই আর ন: জিরো (৯১) (৫) ২৩ এস কে এল পি এস য়ু/এস ১৫৩এ/৩৯৮/৪২৭/৪৩৬/৪৪৮/৩০২/৩৫৪/৩৬৪/৩২৬/৩৭৬/৩৪ আই পি সি এন্দ ২৫ (১-সি) এ. এক্ত | নোংপোক সেকমাই পি এস | থৌবাল |
| (৪) | এফ আই আর ন: ৮১৫ (৭) ২০২৩ পি আর টি-পি এস য়ু/এস ৩৫৪/৩০৭/৩৬৪/৩৭৬/৩৭৬ দি/৫০৬/৩৪ আই পি সি এন্দ সেক ৩ এস সি/এস টি (পি ও এ) এক্ট ১৯৮৯ কোরেস্পোন্দিং টু জিরো এফ আই আর ন: ০ (৯৩০) (৭) ২০২৩ কে পি আই-পি এস য়ু/এস ৩৫৪/৩০৭/৩৬৪/৩৭৬/৩৭৬ দি/৫০৬/৩৪ আই পি সি এন্দ সেক ৩ এস সি/এস টি (পি ও এ) এক্ট ১৯৮৯ | পোরোম্পাৎ পি এস | ইম্ফাল ইষ্ট |
| (৫) | এফ আই আর ন: ৯৩ (৫) ২০২৩ পি আর টি-পি এস য়ু/এস১৪৭/১৪৮/১৪৯/৩২৬/৩৫৪ আই পি সি কোরেস্পোন্দিং টু জিরো এফ আই আর ন: ০০ (৫) ২০২৩ দব্লিউ পি এস-সি সি পি য়ু/এস ১৪৩/১৪৮/৩০৭/৩২৬/৩৫৪/৩৯৭/৩৪ আই পি সি, ২৫ (২-বি) আর্মস এক্ট এন্দ ৩ (২) (iii) ওফ এস সি/এস টি (পি ও এ) এক্ট | পোরোম্পাৎ পি এস | ইম্ফাল ইষ্ট |

| | | | |
|---|---|---|---|
| (৬) | এফ আই আর ন: ৭৯ (৫) ২০২৩ এল পি এস য়ু/এস ১৪৮/১৮৯/৩০২ আই পি সি কোরেস্পোন্দিং টু এফ এফ আই আর ন: ০০ (৫) ২০২৩ সি সি পি-পি এস য়ু/এস ১৪৩/১৪৮/৪২৭/৪৩৬/৩৫৪/৩৪ আই পি সি রিজিষ্টর তৌরগা লম্ফেল পি এস দা ১৮.০৭/২০২৩ দা ত্রান্সফর তৌখ্রবা | লম্ফেল পি এস | ইম্ফাল ৱেষ্ট |
| (৭) | এফ আই আর ন: ২৪৫ (৫) ২০২৩ এস জে এম-পি এস য়ু/এস ১৪৭/১৮৯/৩৫৪/৪২৭ আই পি সি এন্দ ৩ (i) (ix) এস সি এন্দ এস টি (প্রিবেন্সন ওফ এত্রোসিটিস) এক্ট | শিংজমৈ পি এস | ইম্ফাল ৱেষ্ট |
| (৮) | এফ আই আর ন: ৮১ (৫) ২০২৩ এস জে এম-পি এস য়ু/এস ৩৬৪/৩৪ আই পি সি এন্দ ২৭ আর্মস এক্ট | শিংজমৈ পি এস | ইম্ফাল ৱেষ্ট |
| (৯) | এফ আই আর ন: ৪৯৯ (৭) ২০২৩ এস জে এম-পি-এস য়ু/এস ১৪৩/১৪৮/৫০৬/১২৪-এ/৩০৭/৩৫৪/৪৩৬/৩৯৭/৩৪ আসপি সি এন্দ সেক ৩ (২) (iii) ওফ এস সি এন্দ এস টি (প্রিবেন্সন ওফ এত্রোসিটিস এক্ট) (দব্লিউ পি সি সি পি দগী ত্রান্সফর তৌরকপা) | লম্ফেল পি এস | ইম্ফাল ৱেষ্ট |
| (১০) | (i) এফ আই আর ন: ৫৮৪ (৭) ২০২৩ আই পি এস য়ু/এস ৩৬৬/৩৬৮/৩৪ আই পি সি এন্দ<br>(ii) এফ আই আর ন: ১০০৯ (৭) ২০২৩ এল পি এস য়ু/এস ৩৬৫/৩৪ আই পি সি | ইম্ফাল পি এস | ইম্ফাল ৱেষ্ট |
| (১১) | এফ আই আর ন: ১১৭ (৬) ২০২৩ ৱাই পি আই/পি এস য়ু/এস ১৪৭/১৪৮/১৪৯/৩২৫/৩৫৪/৩০৭/৪২৭/৪০০/৩৪ আই পি সি | য়াইঙংপোকপী পি এস | ইম্ফাল ৱেষ্ট |

২৩. মথক্তা পল্লিবা এফ আই আর তরামাথোই অসিগী মথক্তা, পিতিস্নরশিংনা মখাদা পীরিবা এফ আই আর তরুক অসিসু পল্লি:

| এস এল ন: | তারিখ | এফ আই আর ন: |
|---|---|---|
| (১) | ১৭-০৫-২০২৩ | জিরো এফ আই আর ৭৯ (৫) ২০২৩ এস কে এল-পি এস |
| (২) | ১৪-০৬-২০২৩ | এফ আই আর ন: ০ (৬৮০) (৬) কে পি আই- পি এস |
| (৩) | ০৮-০৬-২০২৩ | এফ আই আর ন: ০০ (০৬) ২০২৩ এস কে টি-পি এস |
| (৪) | ১৭-০৫-২০২৩ | এফ আই আর ন: ১৪৬ (৫) ২০২৩ এল পি এস অমসুং এফ আই আর ন: ১৪৭ (৫) ২০২৩ এল পি এস। হায়রিবা এফ আই অনী অসি ভিক্তিম অনীনা ফাইল তৌরকপনি অদুবু থৌদোক্তি মান্নে। |

| | | |
|---|---|---|
| (৫) | ২১-০৭-২০২৩ | এফ আই আর ন: ০০ (০৭) ২০২৩ সি সি পি -পি এস |
| (৬) | ০৯-০৭-২০২৩ | এফ আই আর ন: ০০ (০৭) ২০২৩ সি সি পি -পি এস |

২৪. জোমি ষ্টুদেন্তস ফেদরেসন না ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন্দা, পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগী থল্লকখিবা, মথক্তা পল্লিবা ৰাফম অসি য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখিগনি। করিগুম্বা এফ আই আর শিং অসিদা সি বি আই দা শীন্নখিবশিং অদুগা মান্নবা মওংগী মরাল য়াওরম্লবদি, চয়োল অনীগী মনুংদা মান্নবা খোঙথাং লৌখৎকনি। হিরম অসিদা, পায়খৎখিবা থবক্কী মতাংদা কোর্ট অসিদা, স্টেটস রিপোর্ট ফাইল তৌদুনা চয়োল অহুমগী মনুংদা খঙহল্লক্কদবনি।

২৫. থিজিনবা অসি নিতি-নিয়ম চুম্না তৌবা য়ান্নবা, মখাদা পীরিবা পাউতাকশিং অসি পীরে:

এ. থিজিনবগী থবক অসি কোর্ট অসিনা ৰারক-ৰাতেমগনি। মসিগীদমক, কোর্ট অসিনা, মহারাষ্ট্র গী হান্নগী ডিরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস ওইরম্বা শ্রী দত্তাত্রে পদসলগীকর বু সি বি আইনা মখোয়দা ত্রান্সফর তৌরকপা এফ আই আরশিং থিজিনবদা অমদি লেমহৌরিবা এফ আই আর শিংবু ষ্টেট না থিজিনবদা থবক য়েংশিন্নবা হাপ্লে;

বি. সি বি আই দা ত্রান্সফর তৌরকপা এফ আই আর শিংবু নিতি-নিয়ম চুম্না থিজিনবদা মতেং পাঙনবা, য়ুনিয়ন মিনিস্ত্রি ওফ হোম এফির্য়াস না রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, ঝারখন্দ, ওড়িসা অমদি এন সি টি ওফ দিল্লি হায়রিবা রাজ্যাশিং অসিদগী দিপুতি সুপরিন্তেন্দেন্ত ওফ পুলিস দগী তাদবা ওফিসর মঙা খন্দোক্লগা থল্লে। হায়রিবা ওফিসর শিং অসিগী মরক্তগী য়ামদ্রবদা অমদি নুপী ওইগদবনি। মসিগীদমক্তা, মথক্তা পনখিবা রাজ্যশিং অসিগী ডিরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসশিংনা, য়ামদ্রবদা দিপুতি সুপরিন্তেন্দেন্ত ওফ পুলিস দগী তাদবা ওফিসর অমমম সি বি আই দা দিপুতেসন তৌনবা খনগদবনি। অদুগা, দিপুতেসন্দা লৈরিঙৈ মতমদা হায়রিবা ওফিসরশিং অসিনা সি বি আই গী মিৎয়েং মখাদা মথৌ পাঙথোক্কনি অদুগা কোর্ট অসিনা থিজিনবা অসিবু য়েংশিন্নবা হাপ্লিবা শ্রী দত্তাত্রে পদসলগীকর গী দরকার লৈবা মতুং ইন্না মতম-মতমগী রিপোর্ট পীখৎক্কদবনি।

সি. মনিপুরদা লৈরিবা উংখৎনবা অসিগী মরক্তা, অকক্লবা পুলিস ওফিসরশিংগী মথক্তা আইন থুগায়দুনা হিংসাগী (সেক্সচুৰল ভাইলেন্স য়াওনা) থবক চত্থরিবশিংগা পুল্লি হায়বগী মরাল শীরক্লিবা অসিগী মতাংদসু থীজিন্নবা শ্রী দত্তাত্রে পদসলগীকর গী মফমদা হায়জরি। অদুগা, থিজিনবা অসিদা য়ুনিয়ন অমদি ষ্টেট গর্ভমেন্ত না অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙগদবনি। অমসুং মসিগী থিজিনবা অসিদগী ফংলকপা খুদিংমক রিপোর্ট অমা ওইনা কোর্ট অসিদা পীখৎলক্কদবনি।

২৬. ষ্টেট ওফ মনিপুর না এফ আই আর শিং অসিবু অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা থিজিনবা য়ান্নবা মখাদা পীরিবা এস আই টি শিং অসি শেমগনি হায়না কোর্ট অসিদা থমখি:

"মী হাৎপা অমসুং/নত্রগা অতোপ্পা শাথিবা ক্রাইমগা মরি লৈনবা এফ আই আর শিংগী ওইনদি, এস আই টি শিং অসি এস পি গী ফমদগী তাদবা ওফিসর অমনা লুচিংনবা প্রস্তাব তৌরি অমসুং হায়রিবা এস আই টি শিং অসিগী মনুংদা মখাদা পীরিবশিং অসিসু য়াওগনি:

(i) ইন্সপেক্তর ০২ (অনী)
(ii) সব-ইন্সপেক্তর ০৬ (তরুক)
(iii) কনষ্টেবল ১২ (তরানিথোই)

ইজ্জৎ মাঙহনবা, ইকায়খুম্নবা খোঙ্গাওনবা অমদি মসিগুম্বা সেক্সচুৱল ওফেন্সশিংগা মরি লৈনবা এফ আই আর শিংগী ওইনদি, এস আই টি শিং অসি এস পি গী ফমদগী তাদবা ওফিসর অমনা লুচিংনবা প্রস্তাব তৌরি অমসুং হায়রিবা এস আই টি শিং অসিগী মনুংদা মখাদা পীরিবশিং অসিসু য়াওহনগনি:-

(i) য়ামদ্রবদা নুপী ইন্সপেক্তর ০১ (অমা)
(ii) য়ামদ্রবদা নুপী সব-ইন্সপেক্তর ০২ (অনী)
(iii) য়ামদ্রবদা নুপী পি সি শিং ০৪ (মরি)

অতোপ্পা এফ আই আর শিংদি এস আই টি শিং অসি দিপুতি এস পি গী ফমদগী তাদবা ওফিসর অমনা লুচিংদুনা শেমগনি। অমসুং এস আই টি শিং অসিদা য়াওগদবশিংনা মখাদা অসুম্না পীরি:

(i) ইন্সপেক্তর ০২ (অনী)
(ii) সব-ইন্সপেক্তর ০৬ (তরুক)
(iii) কনষ্টেবল ১২ (তরানিথোই)

চুরাচান্দপুর, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর অমদি ককচিং দিস্ত্রিক্ত শিংগী ওইনদি, দিস্ত্রিক্ত খুদিংগী মথক্তা পীরিবা মীওইশিং অসিনা শাবা এস আই টি ০৬ (তরুক) লৈগনি।

থৌবাল অমসুং তেংনৌপল দিস্ত্রিক্ত শিংগী ওইনদি, মথক্তা পীরিবা মীওইশিং অসিনা শাবা এস আই টি ০৩ (অহুম) লৈগনি।

এস আই টি শিং অসি দি আই জি/আই জি/ এ দি জি গী ফম পায়বা ওফিসর অমনা চয়োল খুদিংগী য়েংশিনগনি। মসিগী মথক্তা, হায়রিবা কেসশিং অসিবু দি জি পি না চয়োল অনী খুদিংগী য়েংশিনগনি।

হায়রিবা কেসশিং অসিবু অকক্লবা মতম অমদা থেংন্নবগীদমক, পুল্লপ্না মনিপুর পুলিস গী এস আই টি তিম ৪২ (নিফু-নিথোই) প্রস্তাব তৌরে।"

(২৭) পুলিস ওথোরিটি শিংনা চথরিবা ইনভেসতিগেসন অদু নীংথিনা মোনিতর তৌনবা অমসুং সুপরভাইস তৌনবা, রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, উরিশ্যা, ঝরখন্দ, মহারাস্ত্র অমসুং এন সি টি দিল্লি দগী দিপুতেসন্দা পুলিস ইন্সপেক্টর গী রেঙ্ককী ওফিসর অমা য়ুনিয়ন মিনিস্ট্রি ওফ হোম এফির্য়সনা ফংহল্লগনি। এস আই টি শিংগী চার্জ পুননবা সুপরিন্তেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী রেঙ্কতগী মখা তাদবা য়ামদ্রবদা ওফিসর তরামরি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফির্য়সনা দিপুতেসন্দা নোমিনেতসু তৌরগনি। মনিপুরগীদমক্তা শেমখিবা এস আই টি শিং অসিনা ইনভেসতিগেসন তৌবা অদু মদুগীদমক্তা কোর্ট অসিনা হাপখিবা ওফিসর ওইরিবা শ্রী দত্তাত্রে পদসলগীকরনা মোনিতর অমসুং সুপরভাইসসু তৌগনি। মসিগী মতাং অসিদা মখাগী দাইরেক্সন শিং অসি পীরে:

এ. এফ আই আর অদু অতে অতোপ্পা ক্রাইম (মর্দর, গ্রিভিয়স হৰ্তনচিংবা) শিংগী মথক্তা সেকচুৱল ওফেন্স (রেপ, নুপী অমগী ইকাই খুম্নবদা শোকহনবা নচিংবা) শিংগা মরি লৈনবা কেসশিংদা, নুপী ওফিসরশিং (মথক্তা এক্সট্রেক্তা স্টেট ওফ মনিপুরনা পল্লিবা ইন্সপেক্টরশিং/সব-ইন্সপেক্টরশিং/পী সী শিং) য়াওবা এস আই টি অদুনা ইনভেসতিগেসনগী থবক থৌরম অপুম্বা অদুগী চার্জ লৌগদবনি;

বি. এস আই টি অদুনা শিন্নরিবা জগা অদুনা লৈবা রিলিফ কেম্প খুদিংমক্তা চৎকদবনি অমসুং হিংসাগী (সেকচুৱল ভাইওলেন্স য়াওনা) মতাংদা তৌরকপা কমপ্লেনশিং অদু লৌশিল্লিবা মীচং মীখাই নাইদবা বোদি অমনি হায়বদুসু খঙহনগনি। মসি দরকার ওই মরমদি ময়ুমগী মীওইশিং কাইনহনখিবা অমসুং ময়ুম মাংহনখিবা, ময়ুম থাদোকহনখিবা অমসুং মখোয় মশাগী হকচাংদা অমসুং ৱাখলদা চৈনা ফংহনখিবা কাংলুপকী ইরাং অসি থোকপা মতুংদা সরভাইভর/ভিক্তিম ময়াম অমনা মশানা পুলিস মেছিনরিশিংদদি চত্তবসু য়াই;

সি. সেক্সচুৱল ওফেন্সশিং ইনভেসতিগেসন তৌরিঙৈদা নুপিশিংবু হঞ্জিনা ৱাখলগী চৈনা পীবদু তৌদনবা সি আর পি সিগী সেক্সন ১৬১ (৩) গী সেকেণ্ড প্রোভাইজো য়াওনা আইন্না থল্লীবা চৎন-কাংলোন পুম্নমক অদু এস আই টি শিংনা ইনগদবনি। ***নিপুন সকসেনা*** ভর্সেস ***য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া*** অমসুং *XYZ* ভর্সেস ***ষ্টেট ওফ মধ্যপ্রদেশ*** গী কেস তা পিখিবা দাইরেক্সনশিং য়াওনা সেক্সচুৱল ওফেন্সশিং ইনভেসতিগেসন তৌবগী মতাংদা কোর্ট অসিনা পিখিবা দাইরেক্সনশিং অদু এস আই টি শিংনা ইনগদবনি;

দি. ষ্টেট ওফ মনিপুরনা শেমখিবা এস আই টি শিং অদু মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাংদা চেন্নরিবা কাংলুপশিংগী মরক্তগী কাংলুপ অমখক্তগী মেম্বরশিং খক্তং য়াওবা ওইরোইদবনি;

ই. কোর্ট অসিনা হাপ্পা ওফিসর অদুনা দিজিপিগী থাক্তা নত্রগা অতোপ্পবু ওইরবসু, সুপরভাইজিং ওফিসরশিংগী মখা তাবা মতেং দরকার ওইরবদি, মদুগী মতাংদা হায়জা চেরোল অমা উনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফির্য়সতা দরকার লৈবা থবক লৌখৎনবা থাজিনগদবনি;

এফ. ইনভেসতিগেসন অদু মোনিতর তৌরকপদা, কেস খুদিংমক্কী লৈরিবা ফেকশিং অদুগী মখা পোন্না, মরি লৈনবা পিনাল প্রোভিজনশিং পাল্লগা এফ আই আর শিং অদু শ্রী দত্তাত্রে পদসলগীকর না রেজিষ্টর তৌহনগদবনি। খুদম ওইনা উৎলবদা, প্রোভিজন খরা মখাদা থল্লে:

## ইন্দিয়ন পিনাল কোদ ১৮৬০

| এস. এল. নঃ | সেক্সন | দিসক্রিপসন |
|---|---|---|
| ১ | ১১৭ | পব্লিক নত্রগা মীওই তরাদগী হেনবনা ওফেন্স তৌনবা ইনশিনবা |
| ২ | ১২১ | ভারত সরকারগী মায়োক্তা লান হৌবা নত্রগা লান হৌনবা হোৎনবা নত্রগা লান হৌনবা ইনশিনবা |
| ৩ | ১২১ এ | সেক্সন ১২১ গী মখাদা দন্দি পীবা য়াবা ওফেন্সশিং তৌনবা লৌতুনবা |
| ৪ | ১২২ | ভারত সরকারগী মায়োক্তা লান হৌনবগী অনিংবগা লোইননা খুলাইনা চিংবা খোমজিনবা |
| ৫ | ১২৪ এ | সেদিসন |
| ৬ | ১৪৫ | মীয়াম পুললনু হায়না য়াথং তৌখিবা লৈরে হায়বদু খঙন-খঙন আইন্না য়াদবা মীয়াম তিনবদা য়াওশিনবা নত্রগা মখা তানা য়াওশিন্দুনা লৈবা |
| ৭ | ১৪৭ | রাইওত তৌবগী পীবা দন্দি |
| ৮ | ১৪৯ | কমন ওবজেক অমা পাংথোকপদা তৌবা ওফেন্স কী মরাল লৈরবা আইন্না য়াদবা মীয়াম তিনবদা য়াওবা মেম্বর খুদিংমক |
| ৯ | ১৫১ | মীয়াম পুল্লনু হায়না য়াথং তৌখ্রবা মতুং মী ৫ নত্রগা ৫ দগী হেন্না পুনবদা খঙন-খঙন য়াওশিনবা নত্রগা মখা তানা য়াওশিন্দুনা লৈবা। |
| ১০ | ১৫৩ এ | ধর্ম্ম, কাংলুপ, পোকফম, লৈফম, লোননচিংবদা য়ুম্ফম ওইরগা খেন্নবা কাংলুপশিংগী মরক্তা নুংশিনদনবা তৌবা অমসুং নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবদুদা অকাইবা থোকহনগদবা থৌওংশিং তৌবা |
| ১১ | ১৮৬ | পব্লিক সর্ভেন্তনা পব্লিক ফংসনশিং তৌবদা অথিংবা পীবা |
| ১২ | ৩০২ | মর্দরগী পীবা দন্দি |

| | | |
|---|---|---|
| ১৩ | ৩২৪ | শাথিবা মখলগী খুৎলাই শিং নত্রগা পাম্বেশিং শিজিন্নদুনা তৌগে য়াওনা তৌদুনা চৈনা ফংহনবা |
| ১৪ | ৩২৬ | শাথিবা মখলগী খুৎলাইশিং নত্রগা পাম্বেশিং শিজিন্নদুনা তৌগে য়াওনা তৌদুনা শাথিনা চৈনা ফংহনবা |
| ১৫ | ৩৩২ | পব্লিক সর্ভেন্তনা মাগী মথৌ তৌবদা তৌহনদনবা তৌগে য়াওনা তৌদুনা চৈনা ফংহনবা |
| ১৬ | ৩৫৩ | পব্লিক সর্ভেন্তনা মাগী মথৌ পাংথোকপদা পাংথোকহনদনবা এসোল্ট নত্রগা ক্রিমিনেল ফোর্স শিজিন্নবা |
| ১৭ | ৩৫৪ | নুপীগী ইকাই খুম্নবদা শোকহনগে হায়বগী অনিংবগা লোইননা নুপীদা এসোল্ট নত্রগা ক্রিমিনেল ফোর্স শিজিন্নবা |
| ১৮ | ১৫৪ এ | সেকচুৱল হরাসমেন্ত অমসুং সেকচুৱল হরাসমেন্তগী পিবা দন্দি |
| ১৯ | ৩৫৪ বি | মফি লৌথোকহনবগী অনিংবগা লোইননা নুপীদা এসোল্ট নত্রগা ক্রিমিনেল ফোর্স শিজিন্নবা |
| ২০ | ৩৭৬ | রেপ কি পীবা দন্দি |
| | ৩৭৬ (২) (জি) | কাংলুপকী ইরাং থোক্লিঙৈ মনুংদা চথবা রেপকী পিবা দন্দি |
| | ৩৭৬-এ | শীবা থোকহনবগী নত্রগা ভিক্তিমগী ফিভম অদু ভেজিতেতিব ষ্টেটতা শাংনা লৈহনবগী পীবা দন্দি |
| | ৩৭৬-সি | ওথোরিটি লৈবা মীশক অমনা সেকচুৱল ইন্তরকোর্স তৌবা |
| | ৩৭৬-দি | গেঙ্ রেপ |
| ২১ | ৩৯২ | রোবরিগী পীবা দন্দি |
| ২২ | ৩৯৫ | দেকোইতিগী পীবা দন্দি |
| ২৩ | ৪৩৬ | য়ুম্নচীংবা মাংহন তাকহনবগী অনিংবগা লোইননা মৈ নত্রগা পোকখাইনিংঙাই ওইবা মচাক শিজিন্নরগা মিসচীফ তৌবা |
| ২৪ | ৪৪৭ | ক্রিমিনেল ট্রেসপাসকী পীবা দন্দি |
| ২৫ | ৪৫৬ | লরকিং হাওস ট্রেসপাস নত্রগা হাওস ব্রেকিং বাই নাইত তৌবগী পীবা দন্দি |
| ২৬ | ৪৫৭ | জেলদা থমদুনা দন্দি পীবা য়াবা ওফেন্স তৌননা লর্কিং হাওস ট্রেসপাস নত্রগা হাওস ব্রেকিং বাই নাইত |
| ২৭ | ৪৫৮ | চৈনা ফংহন্নবা, এসোল্ট নত্রগা রোংফুল রেস্ট্রেন তৌনবগী শেম শারবা মতুং লর্কিং হাওস ট্রেসপাস নত্রগা হাওস ব্রেকিং বাই নাইত তৌবা |

| | | |
|---|---|---|
| ২৮ | ৫০৫ | পব্লিক মিসচীফ থোকহনবা য়াবা ষ্টেটমেন্তশিং |
| ২৯ | ১২০ (বি) | ক্রিমিনেল কন্সপিরেসিগী পীবা দন্দি |

**প্রিভেন্সন ওফ দেমেজ তু পব্লিক প্রোপরতি এক্ট ১৯৮৪**

| সি.ন: | সেক্সন | দিসক্রিপসন |
|---|---|---|
| ১ | ৩ | পব্লিক প্রোপরতিদা অকাই অতোয় থোকহনবা মিসচীফ |
| ২ | ৪ | মৈ নত্রগা পোকখায়নিংঙাই ওইবা মচাক শিজিন্নদুনা পব্লিক প্রোপরটিদা অকায় অতোয় থোকহনবা মিসচীপ |

**আর্মস এক্ট ১৯৫৯**

| সি. ন: | সেক্সন | দিসক্রিপসন |
|---|---|---|
| ১ | ২৫ | অকক্লবা ওফেন্স খরগী পীবা দন্দি |

**অনলোফুল এক্তিবিতিস (প্রিভেন্সন) এক্ট ১৯৬৭**

| সি. ন: | সেক্সন | দিসক্রিপসন |
|---|---|---|
| ১ | ১৫ | টেরোরিস্ট কী থৌওং |
| ২ | ১৬ | টেরোরিস্ট কী থৌওংগী পীবা দন্দি |
| ৩ | ১৮ | লৌতুনবনা চিংবা তৌবগী পীবা দন্দি |

**সেদ্যুল কাস্টস এন্দ সেদ্যুল ট্রাইবস (প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিতিস) এক্ট ১৯৮৯**

| সি. ন: | সেক্সন | দিসক্রিপসন |
|---|---|---|
| ১ | ৩ | মীওৎ মীনৈ চখ্থবগী ওফেন্সশিংদা পীবা দন্দি |

২৮. ইনভেসতিগেসন্দু মোনিতর তৌরকপদা কোর্ট অসিনা নোমিনেত তৌবা ওফিসর অদুনা মখাদা পীরিবশিং অসি য়াওনা চান্নবা দরকার লৈবা দাইরেক্সনশিং পুন্নমক পীগদবনি:

এ. ইনভেসতিগেসন তৌরিঙৈ মনুংদা মগুন লৈবা আইনগী মতেং পীবা;

বি. ইনভেসতিগেসনশিং অকক্লবা মতমগী মনুংদা তৌবা;

সি. ভলনরেবল ৱিতনেসশিংগী ইভিদেন্স লৌন্নবগী মতাংদা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী গাইদলাইনশিংগী মখাদা মতিক চানা মতেং পীগদবা মীওইশিং/ফেসিলিটেতরশিং য়াওনা, দরকার লৈরবদি ভিদিও কনফরেন্সিং নত্রগা ওতোমেতিক ট্রান্সক্রিপসনগী খুত্থাংদা, সি আর পি সি গী সেক্সন ১৬১ অমসুং সেক্সন ১৬৪ গী মখাদা ষ্টেটমেন্তশিং মতম চানা লৌবা;

দি. ইনভেসতিগেসন তৌরিঙৈ মনুংদা ভিক্তিমশিংদা লিগেল এক্ট কাওন্সিল ফংহনবা; অমসুং

ই. ইনভেসতিগেসন তৌরিঙৈ মনুংদা খোমগৎলকপা মচাকশিংগী অরোনবা ঙাকপা অমসুং কোর্ট অসিদা লানখৎলকখিবা স্টেটস রিপোর্ট শিংদা পল্লিবা ভিক্তিমশিং/সেকচুৱল ভাইওলেন্সকী সর্ভাইভরশিংগী মমিং মীয়ামদা খঙহন্দবা।

২৯. য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট ওফ মনিপুরনা মখাদা পিরিবশিং অসি তৌগদবনি:

এ. চেকশিন থৌরাংশিং মতিক চানা লৌখৎনবা, কাংলুপগী হিংসা অমসুং রাইওটশিং থোক্কনবা মফমশিং খঙদোকহনগদবনি অমসুং কুপ্পা য়েংশিনহনগদবনি;

বি. মনিপুরগী খুঙ্গংশিং, সহরশিং অমসুং দিস্ত্রিক্তশিং লোইনমক্তা লোইন-লোইননা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্প খুদিংমক্তা মনিপুরগী মীপুম খুদিংমক্কা খঙগদৌবা লোন অমদা এস আই টি শিং শেমখিবা অমসুং কোর্ট অসিনা জজ অহুম্না শাবা কমিতি শেমখিবা অদুগী মতাংদা পাউ শন্দোক্কদবনি অমসুং পাক শন্না পব্লিসিতি তৌগদবনি। মসিগী ঈ-পাউ অসি রেদিও লৈজদবা, খবর লৌজদবা, স্মার্ট ফোন লৈজদবা নত্রগা টেলিভিজন লৈজদবশিংদা ফাওবা ফংহনগদবনি; অমসুং

সি. ষ্টেটকী আর্মরিশিংদগী মাংখিবা নত্রগা লুত তৌখিবা খুৎলাইশিংগী মশিং, অমুক লৌখৎলবা খুৎলাইশিংগী মশিং অদু কুপ্পা য়েংশিনগদবনি। মাংখিবা খুৎলাইশিং অদু লৌখৎনবা থৌরাং অমা শেমগদবনি অমসুং চৎনহনগদবনি।

৩০. কদাই ফাওবা খুমাং চাওশিল্লবগে হায়বদু কুপ্পা পল্লদুনা, থা ২ গী মনুংদা শ্রী দত্তাত্রে পদসলগীকর অমসুং কোর্ট অসিনা শেম্বা র্জজ অহুমগী কমিতিনা কোর্ট অসিদা রিপোর্টশিং লানখৎকদবনি। দরকার লৈবগী মতুং ইন্না মনিপুরগী ৱাংমদা ট্রাইএলশিং চত্থনবগীদমক্তা অমসুং মদুগী মতুং তারকপা দাইরেক্সনশিং পীনবগীদমক্তা কোর্ট অসিনা মখা তাবা দাইরেক্সনশিং মদুগী তাংকক অদুদা পীগনি।

৩১. ২০২৩ গী ওক্টোবর ১৩ দা প্রোসিদিংশিং অসি পুথোক্লো।